www.sanaleibak.in

# ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ SANALEIBAK — সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

24 Carat/g : ₹ 15,446 | 22 Carat/g : ₹ 14,155 | 1 Kg Silver : ₹ 2,30,500 | 10 Gram Silver : ₹ 2,310 | WEATHER: Scattered Thunderstorms | Temperature 29/20°C | Sunrise: 04:56 AM | Sunset : 05:29 PM | Petrol : ₹ 106.87 | Diesel : ₹ 92.57 | GAS TODAY Nill | sanaleibakdaily

Volume No: 50 Issue: 273 | IMPHAL, SUNDAY, SEPTEMBER 13, 2026 | মালিয়াফম পালচা কুমশীং ৩৪২৪–২৫ | নোংমাইজিং, লাংবনগী ২ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 | Price: ₹ 5.50

## ‘রিছার্স স্কোলরশিংগী ষ্টাইপেন পীথোক্কদবনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্স স্কোলরশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং মরম চাই। মখোয়না তাল্লিবা রিছার্স স্কোলরশিংগী ষ্টাইপেন / ফেলোসিপ লৈঙাক্লা পীথোক্কদবনি হায়না ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)না থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহৈরোই লুপ অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি য়ুম্নাম ক্লিনটন মমাঙনা খূৎয়েক পীদুনা ...মখা লমায় ৫দা...

## প্রি পোল এলাইয়েন্স লৈরোই লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ মণিপুরদা হন্দক পাঙথোক্কদবা এসেমব্লি ইলেক্সনদা পার্টি অমত্তগা প্রি পোল এলাইয়েন্স লৈরোই হায়না সমাজৱাদি পার্টিগী লুচিংবা অসাম ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট ব্রোজেন কুমার হেন্দিকনা লাউথোকখ্রে।

তেরা লুক্রাম লৈরম্বা সমাজৱাদি পার্টি মণিপুর য়ুনিটকী ষ্টেট হেদ ওফিস শঙ্গানবগী থৌরমদা শরুক য়ানবা ঙসি নুমিদাংৱাইরম ইম্ফাল ...মখা লমায় ৫দা...

## সি আর পি এফতা এটেক্ট তৌখিবদু এম এনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ হৌখিবা শাগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.২০ রোম তাবদা ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীগী খোঙহাম্পাৎ কৈকোলদা সি আর পি এফকী আর ও পি কাঙবুদা এটেক্ট তৌখিবা অদু নেসনেল রিভোল্যুসনরি ফ্রন্ট মণিপুর (এন আর এফ এম)গী লান্মী শঙলুপ মণিপুর আর্মি (এম এ)গী গুরিলা ৱারফেয়র ৱিংগী সেক্সন (বি)গী ...মখা লমায় ৫দা...

# ফাজিল্লুবশিং থাদোকখ্রে, সটদাউন হন্দোকখ্রে, ব্লোকেদতি চথরি, পেট্রোলিয়ম ড্রাইভরশিংগী খোঙজংসু হন্দোক্ত্রি

### নেসনেল হায়ৱে ৩৭তা সেক্যুরিটি পীরগা গাড়ী চৎপা লেপত্রিঃ মণিপুর পুলিস




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ লৈলোন ভাইফৈদা কুকিশিংনা ফারবা মতুং মীহাৎ থীনা হাৎখ্রবা নাগা ৬কী জষ্টিস পীয়ু হায়দুনা য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সি)না লাউথোকখিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদ মরক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সেসনা ফাজিল্লুবা নাগা ফুরুপকী নুপী ৫ থাদোকখ্রে। মী ফাজিনখিবগী জে ইন্ট ত্রাইব কাউন্সিলনা কৌখিবা টোটেল সটদাউন হন্দোকখ্রে। ইকোনোমিক ব্লোকেদতি মখা তানা চথরি। ব্লোকেদতা গাড়ী থুগায়রকপা অমসুং ড্রাইভর অশোক অপন নংহনবগী থৌদোক্তা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙদ্রিবমখৈ ষ্টিয়ারিং পায়বা লেপখিগদৌরি।

সেক্যুরিটি ফোর্সনা ঙরাং ফাজিনখিবা নাগা ফুরুপকী নুপী ৫ থাদোরকখিবা মরম্না জোইন্ট ত্রাইব কাউন্সিল মণিপুরনা ইম্ফাল–জিরি লম্বীদা কৌখিবা টেটোল সটদাউনগী খোঙজং হন্দোকখ্রে। অদুমকপু য়ু এন সিগী ইকোনোমিক ব্লোকেদতি মখা তানা শৌগৎখিগনি হায়রি।

হীরম অসিগী মতাংদা জে টি সি মণিপুরগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ফাজিনখিবা নাগা নুপীশিং থাদোরকখিবা মরম্না টোটেল সটদাউন অমদি সেন্টর লৈঙাক্কী প্রোজেক্টশিং পায়খৎপদা অথীংবা থম্লম্বশিং হন্দোক্লে। অদুমকপু নাগা ৬ হাৎখিবগী অচুম্বা ৱায়েল পীগদবনি হায়না য়ু এন সিনা চথরিবা ইকোনোমিক ব্লোকেদকী খোঙজং অসিদি মখা তানা অদুমক শৌগৎখিগনি। লোয়ননা সেক্যুরিটি ফোর্সনা ঙরাং নাগা মীচম নুপী ৫ ফাজিনখিবগা মরী লৈননা ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীদা কৌখিবা টোটেল সটদাউনগী খোঙজংদা মপূং ফানা শৌগৎখিবা নাগা মীয়াম পুন্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকই হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

অমরোমদা, ইকোনোমিক ব্লোকেদ অসিদা খোঙজং চঙশিনবশিংনা গাড়ীশিংদা অকায় অতোয় পীরকপদা নত্তনা ড্রাইভর শোকহল্লকপা ...মখা লমায় ৫দা...

# মীতোপ খন্দোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসি লৈঙাক তুগনি কিবদগীনিঃ জে এফ দি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ কুকি এম এল এ ৯না লমদম অসিদগী মীতোপ খন্দোকপা পামদে। চীফ মিনিষ্টর য়ুম্নাম খেমচান্দনা মীতোপ খন্দোকপা ঙমদনা লৈরিবা অসি কুকি এম এল এ ৯গী মথক্তা থবক তৌরুরবদি লৈঙাক তুগনি কীবদগীনি হায়না কেম্পেইন ফোর জষ্ট এন্দ ফেয়র দিলিমিটেসন (জে এফ দি)গী ফাইনান্স সেক্রেটরি সুনিল করামনা ফোঙদোকখ্রে

পুংদোম্বমদা লৈবা নোংপোক পান্থোইবী শঙলেন্দদা থা খুদিংগী নোংমা পানবা নুমিৎতা পাঙথোক্তুনা লাকপা মীয়ামগী মীফমগা মরী লৈননা এন আর সি অপদেট তৌদ্রিঙে সেন্সস তৌবা য়ারোই, এন আর সি তৌবগী বেজ ইয়র ১৯৫১ ওইহন্নবা হোৎনবদা মীয়াম্না লৌগদবা থৌদাংশিংগী মতাংদা পুন্না ফম্মিন্দুনা খন্ন–নৈনবগী থৌরমদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা সুনিল করামনা হায়, কুমজা ২০২৩গী মে ৩দগী হৌরকখিবা ইরাং অসিদা নরোন্দা চঙলকখিবা চিন কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিং হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা সেন্সসকী থবক অসিদা য়াওখিদুনা ইন্দিয়ান সিটিজেন অমা ওইদুনা য়েলহৌ ফুরুপশিংদা লান্দাদুনা মখোয়গী ওইবা সেপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন অমা শেন্নবা কন্না হোৎনরি। সেন্সসপু খৌরাংনা ঙাইহিবা মীতোপশিং হান্না খন্দোকপা হায়বসি ঐখোয়গী ইথৌদাংনি। মীতোপ খন্দোকপা ঙমহৌদনা সেন্সস তৌখিবা তারবদি লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং নোংমদি শোয়দনা মীখা পোন্দুনা লৈহৌরগনি। মীতোপ পুনশিনবদা ...মখা লমায় ৫দা...

## চহী ৭০ হেন্না তিল্লবসু ইন্দিয়ান ওইনা উবা ঙমদ্রবনিনা তোখায়না তানিংবগী ৱাফম লাকফম থোকপনিঃ আনন্দ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ কুমজা ১৯৪৯দা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবা মতমদগী ঙসি ফাওবা চহী ৭০ হেল্লবসু মণিপুরবু ইন্দিয়ানি, মণিপুরীবু ইন্দিয়া মচা ওইনা উবা ঙমদ্রিবা অসিনা ইন্দিয়াদগী তোখায়না লৈজরগে হায়বা ৱাফম লাকপা হৌনাশনি হায়না নাওরিয়া পাখঙলাকপা এ সিগী এম এল এ ওইরম্বা আর কে আনন্দনা ফোঙদোকখ্রে।

ক্বাকৈথেলদা লৈবা ময়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না মখা তানা হায়, কুমজা ১৯৪৯দা মণিপুরনা ইন্দিয়াদা পূনখিবদগী ঐখোয়সু ইন্দিয়ানি হায়দুনা লাক্লি। অদুবু ইন্দিয়াগী সিটিজেন ওইবগী হক অদুদি কদাই ফাওবা ফংখ্রবগে হায়বদুদি ৱাহং ওইরি। চহী ৭০ হেন্না ইন্দিয়াদা তিল্লক্লবা ফাওবা ইন্দিয়ান ওইনা উবা ঙমদ্রবা চোংথাম বিক্রম অমসুং মশক নাইবা কয়া তমথিনা হাৎতোকখ্রবা ফাওবা জষ্টিস অমত্তা

## লুপা ক্রোর ৫.২০ লোমগী ওইগদবা কেস ৪০৪ সেট্টল তৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ কোর্টতা পন্দুনা লৈরিবা কেসশিং লোইশিন্নবগী পান্দমদা লৈবাক শীনবা থুংনা পাঙথোকখিবা নেসনেল লোক অদালট ষ্টেট অসিদসু পাঙথোকখ্রে। ষ্টেটকী ওইনা অহুমশুবা নেসনেল লোক অদালট ষ্টেট অসিগী ওইনা কেস ৪৪৯ লৌখৎপদা লুপা ৫,২০,৫১,৯৭৩, ওইগদবা কেস ৪০৪ সেট্টল তৌবা ঙমখ্রে।

মীয়ামদা নেস্নেল লোক অদালটকী এৱার্নেস নীংথিনা লৈহন্দুনা পন্দুনা লৈরিবা কেসশিং ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনসি হায়না হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস এম সুন্দরনা আপিল তৌরক্লি।

নেস্নেল লোক অদালট অসি ঙসি মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (মসলসা)না শীন্দুনা লম্ফেলপাৎকী কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘এ সি ৬০ মক্তা নুপী য়াওনা মীরেপ থাদোক্লবা পান্দম থম্লি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ মণিপুরগী এসেমব্লি কন্সটিটুয়েন্সি ৬০ মক্তা নেসনেল পিপলস পার্টি (এন পি পি)গী নুপী য়াওনা মীরেপ থাদোক্লবা পান্দম থম্লি হায়না পার্টি অসিগী ৱিমেন ৱিং নেসনেল পিপলস ৱিমেন্স ফ্রন্ট (এন পি দব্লীউ এফ)কী নেসনেল প্রসিদেন্ট অনৈ খামিংনা ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ নিনিগী মণিপুর খোঙচৎতা ঙসি ইম্ফালদা থুং লখিবী অনৈ খামিংগা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা পাউমীশিংগা উনবদা হায়, নুপীশিং লিংজেল মান্নবা অমদি অমত্তা ওইনা পূনশিনবা চঙই। মদুতদা চাওখৎ লম্বীদা মাঙজিল থানা চঙশিনবা ঙমগনি। ...মখা লমায় ৫দা...

## ‘পোলিটিসিয়ানশিংনা মীয়ামগী অপাম্বা খঙনা থবক তৌসি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ পোলিটিসিয়ান অমদি ব্যুরোক্রেটশিংনা মীয়ামগী অনিংবা অপাম্বা মশক খঙনা থবক তৌবা চঙই। মদু খক্তনা খুন্নাই অসি মাঙ লোমদা পুখৎপা ঙমগনি হায়না লংথবাল এ সিগী এম এল এ করাম শ্যামনা ফোঙদোকখ্রে।

রিলিফ সেন্টর ফোর ডি ৱেলফেয়র ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন্স মণিপুরনা শীন্দুনা জে এন মণিপুর দান্স একাদেমিদা ঙসি পাঙথোকখিবা ইন্দিয়াগী অহানবা হোম মিনিষ্টর সদার ভল্লাভাই পতেলগী ১৫০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ৱাফম অসি এম এল এনা ফোঙদোকখিবনি। ...মখা লমায় ৫দা...

## থাংজিং রেঞ্জ অমদি মুনপি খুলদগী য়াম্লবা খূৎশু খূৎলায় খোমগৎখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থাংজিং রেঞ্জ অমদি মুনপি ভিল্লেজদা কম্বাইন ফোর্সনা চখিবা ওপরেসনদা য়াম্লবা খূৎশু–খূৎলায় খোমগৎপা ঙমখ্রে লোয়ননা মীওই ৩সু ফাগৎখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়, চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা থাংজিং রেঞ্জ এরিয়াদা ঙরাং চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট পুলিস অমদি ২শুবা জে কে লাইফ ইনফেন্ট্রিগী অপূনবা কাঙবু অমনা থীবা হুম্বগী থবক চথবদা নালোন অমসুং থাংজিং ভিল্লেজগী লোন্নবা মফমদগী য়াম্লবা খূৎশু–খূৎলায় ফংবা ঙমখ্রে।

জোইন্ট ওপরেসন অদুদা ফংখিবা খূৎশু–খূৎলায়শিং অদুদি ৮২ এম এম মোটোর (চাইনিজ ওরিজিন) ২, ফুট ৮ শাংবা কে জি ৬০ লুম্বা রোকেট ১, স্কোপ য়াওবা এম পি ৫গী ওটোমেটিক ...মখা লমায় ৫দা...



[illegible]



[illegible]



[illegible]



[illegible]

## ঙসিগী রাশি ফল (১৩-০৯-২০২৬)

**ইবোপিশক নিংথৌজা (এৱার্দি)**

*এষ্ট্রো এণ্ড পালমিষ্ট, পাউনা বাজার, ইম্ফাল*

**মেষঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, ঐগী মী মশীং হেনগৎপা, শেল ফংবা, চাংয়েংনবদা মায় পাকচবা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৰাখল চাওখৎলগনি।

**বৃষঃ** চরক চহিং নাইবা মরক্তা থৌরমদি পাঙথোক্লগনি। শেল ফংবা চৎপা মান্নগনি। অচৌবশিংনা চানবিবা, শাগৈনা য়েংথিবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংলোই।

**মিথুনঃ** পাঙথোক্লিংবা পাঙথোকপা, মরুপ মফম পাক চাওখৎপা, লুচিংবশিংনা চানবিবা, ইমুংদা শান্তি লৈবা, মতেং পীবিবা হেনগৎপা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**কর্কটঃ** খৎননিংবা মুক্নবা, শেল চৎপা, ৰাখলগা থৌদোক্কা খেন্নবা, শাগৈনা য়েংথিবা ওইরগনি। শোক্কনগনি। গাড়ী তপ্না থৌগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – শাওনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – বুদ্ধি ফকচিনগনি।

**সিংহঃ** থবক্তা মায় পাকচবা, লুচিংবশিংনা চানবিবা, চথোক চৎশিন্দা কান্নবা, মরুপ্তগী মতেং ফংবা, ইমুংদা ইংনা লৈবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**কন্যাঃ** নুংনাংবা, চরাংনবা লোয়নরগনি। শেল ফংবা চৎপা তৌরগনি। য়েৎশিনবা হেনগৎলগনি, চথোক চৎশিন্দা হৈ শিংগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – লৌ তৌনগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৰাখল চঙলোই।

**তুলাঃ** চেকশিন্না হোৎনজগনি। হোৎনবগী মমল ফংলগনি। তিন্নবশিংনা চানবিরগনি। লমলানবশিংনসু নুংশিবিরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰাখল চান্নগনি।
মহৈরোইশিংগী – হোৎননিংগনি।

**বৃশ্চিকঃ** কল্লকপা মিহৌবা, য়েৎশিনবা লৈরগনি। শোক্তনবা হোৎনজগনি। থবক মচা মচাদি পাঙথোক্লগনি। ইমুংদা চরাংনগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰারৌনগনি।
মহৈরোইশিংগী – ৰাখল ফকচিনগনি।

**ধনুঃ** থবক থৌরমদা মায় পাকচবা, শক খঙবিবা য়াম্বা, মরুপ্তগী মতেং ফংবা ওইরগনি। চথোক চৎশিন্দা কান্নগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – মত মান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী– বুদ্ধি চাওখৎলগনি।

**মকরঃ** হোৎনজমন কান্নবা ফংলগনি। চাংয়েংনবদা মায় পাকপা, শীংথাবিবদা য়াওবা অমদি ওইরগনি। পোৎ লৈবা য়াগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – অমত্তা ওইরগনি।
মহৈরোয়শিংগী – হোৎননিংগনি।

**কুম্ভঃ** খুদোংচাবা থেংনবা, হোৎনবা য়াবা, অরাপ্পা চৎপা কান্নবা, শক খঙবিবা হেনগৎপা, লুচিংবশিংনা চানবিবা ওইরগনি।
পাখং লৈশাবীশিংগী – ৰাখল চান্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – লৌশিং হেনগৎলগনি।

**মীনঃ** অশাওবনা মাঙজগনি। গাড়ী তপ্না থৌগনি। ঐগী মীনা মীগী মীচংদা লৈখিগনি। চঙজরকপা কনখৎলুগনু।
পাখং লৈশাবীশিংগী– মুক্নগনি।
মহৈরোয়শিংগী – ৰাখল চঙলোই।

## SANALEIBAK QUIZ - No. 24

*Sanaleibak Quiz will publish in every Sunday. It is in the interest of the students and people of Manipur. The answers can be sent through whatsapp No. 8830812368 within 19th September, 2026. Answers of the Quiz will be published on 20th September.*

Q. 1. What year was the first iPhone released?
Q. 2. What is the loudest animal on Earth?
Q. 3. How many Academy Awards for Best Original Song has Disney won?
Q. 4. Which producer is famous for the "Wall of Sound"?
Q. 5. What vegetable was once considered poisonous in Europe?

***Answers of the Sanaleibak Quiz No. 23 (06-09-2026)***

Ans. 1. Skin.
Ans. 2. Martin Luther King Jr.
Ans. 3. 1912.
Ans. 4. Tennis.
Ans. 5. Carrot.


## [illegible]/MOBILE PHONE অমা খুল্লে

হৌখিবা August 25, 2026 তা Lilong Area দগী OPPO গী SIM য়াওদবা Mobile Phone অমা লম্বীদগী খুনখি। Social Media গী খূৎথাংদা মীয়ামদা পাউ ফাওননবা হোৎনজদুনা লাক্কি। অদুবু কনা অমত্তনা পাউ ফাওরক্ত্রি।

কনাগুম্বনা Phone তাহৌবা য়াওরবদি লাক্কিবা September 20, 2026 ফাওবগী মনুংদা মখাগী Address অসিদা পাউ ফাওবীরক্কবা হায়জরি।

Sd/-
KHUNDRAKPAM RATAN SINGH
Khangabok Maisnam Leikai
# 7005678230

SL/Raju/13



## Office of The Imphal Municipal Corporation

### [illegible]/নোটিশ

তাং .................... ইং

No. 4/19/2022/IMC/Rev/Notice- অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. Naga Nullah, Shed No. 5, Seat No. 13, Licence No. 12 শ্রীমতি Moirangthem Memcha Leima, W/o M. Tayaima Meitei of Langthabal Kunja Makha Leikai গী মিংদা পানবা Women Vendor/Licence Holder অসি Vendor মশানা শ্রীমতি Sapam Sanathoi Devi, D/o Sapam Amarjit Singh of Tentha Khunou Bazar (Thoubal), Vendor/ Licence Holder দা মিং ওনবিরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে।

মরম অদুনা Licence Holder/Women Vendor গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা Objection তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা Objection তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা Objection লৌরোই অমদি Lessee গী মিং ওনখ্রগনি।

Sd/-
Asst. Municipal Commissioner (Revenue)
Imphal Municipal Corporation

SL/Su/13


## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 9 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1077**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 9 | | 6 | 1 | | 2 | | |
| | 2 | 1 | | 9 | | | 7 | |
| 7 | | | | 5 | 2 | 1 | | |
| 6 | | 7 | | | | 8 | 2 | |
| | 4 | | | | 8 | 9 | | 1 |
| 9 | 1 | | | | 6 | | | 7 |
| 2 | 8 | 9 | | | | 7 | | |
| 1 | | 6 | 7 | | | | | 2 |
| | 7 | | 1 | | | | 9 | |

সনা–সুদোকু–১০৭৭গী সোল্যুসন লমাই ৭দা

# ৱারীমচা

# চীফ মিনিষ্টরগী নুপী

## রাজমনি অয়েকপম

"হল্লো কনা ওইবিরবনো? মখোয় পাবুংলা? ঐনে, ঐনে, সনাহনবীনে... মখোয় পাবুং"।

'সনা, হংচিৎ নোংমাইজিং নুমিত্তা ক্লব শঙ্গাবগী ক্লবকী নহারোলশিং খরা পৈশা হাপ্পিয়ু হায়দুনা লাক্কনি। খরা হাপ্পিখো। যান্নদি হাপ্পনুকো, ভোট য়ৌগদবা যান্না ৱাৎলি। হৌজিক্তগী যান্না লাঙলুবা য়াবা নৎদ্রি।"

"অদুবু মখোয় পাবুং কয়াম হাপ্পু হায়রিবনো?"

"নঙনা থোকপা য়েংলগা খরা হেক হাপ্পিখো। অঙাংশিংদু শাউদনবা য়েং-য়েংদনা ঙাও-শকউকো।"

"অং মখোয় পাবুং। নোংমাইজিং নুমিৎতি ক্লব শঙ্গাবগী হাইথবিরক্কদবা নৎত্রা?"

"ক্লব শঙ্গাবা নংনবা হাইথরক্কদবনি।"

"চাক-ঈশিংদি সিদা থৌরাং তৌরমগদ্রা?"

"তৌরুরনু সিদগী চারগা হাইথরল্লগে। নুংথিলদসু স্পোর্টস লোইশিনবগী চীফ গেষ্ট ওইগদবা অমসু লৈ। ফরে তল্লগে। নঙনা থোকপা ফনবা শীল্লম্মো।"

ফোনদু থমখ্রে। সনাহনবী অশাংবা নুংশাস্বর অমা হোন্দোকই। মসিসু মখোয়গী তৌদবা য়াদবা অমনি। মাগী মপুরোইবা ইবোহলদু ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টরনি। মানা চীফ মিনিষ্টরগী নুপী। মদুগী ইজ্জৎ ঙাকপা তাবনি।

সনাহনবীনা মরক-মরক্তা ভাব তাদবা অমা লৈরি মদুদি ষ্টেটসিগী নুপী খুদিংমক্না কল্লক্করিবা চীফ মিনিষ্টরগী নুপী হায়বা মিংথোলসি ফংবদা মহাক নুংঙাইরিব্রা, ৱারিব্রা হায়বা হায়ফম খঙদবা অসিনি। মানা খঙবা হায়ববু মহাক্কী মপুরোইবনা ষ্টেটসিগী চীফ মিনিষ্টর হেক ওইখিবদগী মপুরোইগা মাগগী মরক্তা লৈরম্বা থম্মোয়গী মরী অদুদি নোংম-নোংমগী কোমথরক্লি। অদুগা অমরোমদা মখোয় অনীগী মরক্তা লৈবাক মীয়াম হায়বসিনা ফেজিল্লকই।

সনা-লুপা, লন-থুম, পৈশানা চীংমুক ৱাংনা লৈরল্লগনি হায়দুনা মখোয়গী পুন্সিবু কল্লক্করবসু সনাহনবীগী পুন্সিদি নোংম-নোংমগী লুশিল্লকপা হেল্লকপদা নত্তনা লৈতাদবা অমসু য়াওরক্লি। মপুরোইবা ইবোহলনা লৈবাক্কী মপী-মপানি হায়দুনা কোয়চৎ চৎতুনা লৈখ্রবনিনা ইম্ফাওগী ময়োলদা লৈরিবা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা নুমিৎ খরনিদং লৈদুনা মপুরোইবগী শোয়দা-ঙামদনবা অমুক য়েং শিল্লম্বা অদুগা অমুক চয়োল অমগী মনুংদা নীনি-হুমনিদং ওইরবস ময়ূমদা অমুক লৈদুনা কন্দ্রগী অহল-লমন, মরূপ-মপাং, নহারোল কয়া উনদুনা মখোয়গী মপূক্লিং নাদনবা হোৎনবসু মাগী চাউরবা দায়ত্বনি। চীফ মিনিষ্টর হায়বসি পিবা ফম নত্তে। মখোয়বু য়েংশিনবিনবা মীসু শঙ্গু অমা লৈরিবনি। খজিক্তং মপূক্লিং নাগদবা ৱা অমা-অনীদং কাওথোক্লবদা মদুগী খুদোং লৌদুনা পাউথোকপিনবা মীসু কোঙ্গায়নি। ময়ামসি অমসু শোয়দনবা অমসু কায়দনবা হোৎনবসি সনাহনবীগী তৌদা য়াদ্রবা মথৌ অমনি।

অহানবদদি মাসু মী অতৈনা হায়নবদৌনা চীফ মিনিষ্টরগী নুপী ইহান হান্না ওইবদুদদি যান্না নুংঙাইরবোই নীংখি। অহানবা নুমিৎ খরনিদি নুংঙাইবগী ইনিলনা পীক থনখি। অদুবু ইকুই কুইদনা থা অমগী মতুংদা মপুরোইবা ইবোহলনা দিল্লীদা দিল্লীগী অঙম-অথৌশিংগা ৱা তান্নরুনি হায়দুনা চৎখিবা মতুং নীনি-হুমনিগী মতুংদা পার্টিগী মহিলা মন্দলগী অফাওবী নুপী খরা য়াওখি হায়বগী পাউদুদনি মহাক্না ইহান হান্না নুংশা থীবা ফাওখিবদু। মপুরোইবনা দিল্লীদগী হল্লকপা ৱানা ঙাইরগা মপুরোইবদা মহাক্না হংলুবদা থৌ-ৱা ইশা শাদনা খুল্লকখি, "সনা নঙনা লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরবা মতমসিদা অমুক য়ান্না পূকচেল পীকশল্লক্লিবসিনা করিগীনো? লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরবদি অফবসু, ফত্তবসু লোইনা তিন্নবা হৈবা তাবনি।"

"অদুবু অফাওবীশিং অদুগা লোয়নন চৎমিন্নদ্রবদি য়াদবা জাৎলা?" সনাহনবীনা মপুরোইবদা থৱায় চাক্লা হংজবনি।

"মখোয়গী দরকার ওইবা মতমসু য়াওরিবনি। নঙনা পামজদে হায়রগসু হেক ইন্থোকপা য়াবা নত্তে।"

"মখোয়দুবু মৱা-মপুরোইবগা অমতা লৈত্রা জাৎলা? মন্ত্রী, এম এল এশিংনা দিল্লী চৎপা কোইন ইন্নরিবদুবু...?"

"লৈবসু য়াওই, লৈতবসু য়াওই। মদু ঐখোয়না খঙলুবগী মথৌ তাদে। ঐখোয়গীদি ঐখোয়গা রাজনীতিগী লম্বী চৎমিন্নবা য়াব্রা, লম্বী পুনব্রা হায়বদুনি মরু ওইরিবদি।"

"মখোয় পাবুংনা মথৌ তাদ্রবসু ঐগীদি মদু খঙবা মথৌ তাইনে।"

"সনা নঙ পূকচেল অসুম চাউথোরক্কদ্রা হায়রগা পীকশিনবা অসুম-অসুম হেঞ্জিল্লক্লেবো।"

নুমিৎতুগী মরৈদু অমনা অমবু তাহনবা ঙন্নদনা লোইশিনখি। সনাহনবী নুমিৎতু মপুরোইববু যান্না ৱারৌজখি। অদুবু মপূক্লিংদা ফাওরকপা খূদিংমক লোইনা ফোঙদোকপদি ঙমখিদে। মপুরোইববু চেকশিন্না শেন্নদবা য়াদ্রে হায়বদুদি মপূক্লিংদা চেৎনা খনখি।

মপুরোইবনা চীফ মিনিষ্টর হেক ওইখিবা নুমিৎতগী সনাহনবীগী দায়িত্বসু খংচাউ চাউখৎলকখি। নুপীদি নুপাগী হকচাং তংখায়নি হায়নরিবনি। মাগী নুপী ফত্তবা নুপা কনানা চাওখৎপা য়াওবগে? চাওখৎলিবা নুপাশিংসি অফবী নুপীপী মরুম থূপ্পকখিবা ঙাক্তনি। অউবা কনানা মাগী পুন্সিবু নুংঙাইশিংদা শীংথরগসু মহাক্কী অশেংবা পুন্সিদি য়েক্লবনা খোঙথাং খূদিং য়েংলিবা চেকশিন্না চৎকদবা পুন্সি অমা ওইরম্মী।

নোংমসু লৈকায়গী মনে থোকপা অমা লাক্তুনা মচানুপাগী থবক্কী ৱানোল্লম্মী। মপুরোইবনা "হৌজিক্তি অথিংবা লৈবনা থবক হাপ্পা য়াদ্রি, কোন্না লাকউ" হায়রুবদা "নখোয়না তৌনীংদদুনা তৌরিবনি" হায়রকপদগী ঙৈহাক শাউনদুনা মপুরোইবগা খোল অকনবা খরা ঙাঙনখি। শাউনা থোরল্লগা "অদুবুদি খঙনিদনা ভোটতা কমদৌবগে হায়বদু..." হায়দুনা ফ্রং কন্থোক্তুনা শাউদুনা চৎখিবদগী লৈকায়গী মনে থোকপীদুনা তান্নদুনা ফারুই। অদুগা চা অহাওবা অমা পীথক্তুনা অশাওবদু নেমথনবা হোৎনখি।

"ইনে মানবী কৈদৌনা শাউরিবনো। নয়া অঙাওবসিনা ঙাঙববু... ইনেগীদমক ঐখোয় লৈরিবসিদি। য়ানবা তৌরগা লোইরসিবু। ইনেসিনা শাউগনবসিনা...।"

"ইবেম্মা, ঐখোয়সু অসুক কুইবসি অসিমা তৌবিয়ু অমুক্তা হায়দবনি। নচানুপাসি হন্দক্কী মতাংসিদা থবক মচা অমতং তৌহৌরবদি হায়দুনা অদুক হায়বনি।"

"ইনে, নয়ানা লৈবাক্কী ময়াম অম খনবদা ইনেগী ৱাদু ভাব তাহৌদদুনা হায়জবা ওইরমগনি। শাউবিগনু, ৱারৌবিবা য়াদে। ইনেখোয় খ্বায় ময়ামগী থৌজালদগী নয়াসি চীফ মিনিষ্টর ওইবা ঙমজরিবনি। হৌজিক্তি নয়াসি কেন্দ্রখক্তগী ওইদ্রবনি। লৈবাক মীয়ামগী ওইরবনি। ইনেগীবু করিগী তৌদদগে? নমৌ ঐ লৈরিবসিদি।"

"নঙনা অদুমাইনা হায়বদি খর হেক ফৈদনা...। ঙসাইগী ইবোহলনা হায়রকপদুদি কয়াদি হেক শাউনীংলুরে।"

সনাহনবীদু মনে মানবীগী মপূক্লিং ফাথদুনা অহাওবা চা কপ অমা পীথকখি। মদুমাইনা তৌরবদুদদি হনুবীদু ইংথদুনা চৎখি। অসিগুম্বা থৌদোক মচা-মচাশিংসি মখোয়গী পুন্সিগী খোঙচৎশিংদা য়ান্না মরু ওই। মনে মানবীদু লৈকায়গী মৈরা পায়বীগী লুচিংবীনি। লৈকায়দুদা য়ান্নমক নৎত্রবসু কাবক-কাবক মচীন চৎচরিবনি। মানা শাউদুনা চৎখিবা হায়বসি ইলেক্সন মতমদা খুদোংথীবা মচা অমদি শোয়দনা মায়োক্লগদৌরিবনি।

সনাহনবীগী পুন্সি খোঙথাং খূদিং চেকশিন্দবা য়ারক্তে। কেন্দ্রগী প্রজা মীয়ান্না মপূক নাদনবা হোৎনবৈ মথক্তা চীফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা মী ফত্তবা কনা-কনা চঙলকই হায়বদুসু মীৎ-না শিংদবা য়ারক্তে। হৌখিবা থা অনী-অহুমসি মখোয়গী ভোটতা মতেং য়ান্না পাংবিখিবা ঠিকাদার অমখক্কী মচানুপানা বঙ্গলোদা ঙৈহাক লৈতনা চঙথোক-চঙশিনা তৌদুনা অরাকপা মীশিংদা খোন নুংশিদবা থাদুনা মীগী মপূক্লিং নাহল্লক্লিবসি মপুরোইবা ইবোহল ফাওবা হায়বা ঙমদদুনা লৈরবনি। ফীভমদু হেক উবগা মসিদি শোয়বা তারে হায়দুনা নুপামচাদু কৌরগা সনাহনবীনা হায়খি, "খোম্বা, নখোয় মাম্মনা চীফ মিনিষ্টর ওইরঙৈসিদা ঠিকা-নুংকা খর তৌদুনা নশাগী নচাক-নরল খরসু তানশিল্লুদনা স্বায়দা সুম মতম মাঙহনগদৌ শরুক। খুদোংচাবা হায়বসি পঙনা লাকপা নত্তে।"

নুপামচাদুন জ্ঞান খংলাক লাকপদৌনা, "হোয়নে ইনেবেম্মনা হায়ররিবদু অচুম্বা ঙাক্তনি। ঐস পঙখ্রবা হায়বদুনি। মাম্মোখোয়, ইনেখোয়না খর শাফরিঙৈসিদা কারবার অমদি তৌহৌবা চুম্বনি স্বায়দা সুম মতম মাঙহনগদৌ শরুক।"

"নখোয়নবু জ্ঞান তারবদি ইনেহোয়সু নখোয়গী নতেং পাংগে হায়দুনা লৈরিবনি।"

সনাহনবীগী য়েৎ-ওয়, তুং-মাঙ য়েংবা হৈবগী গুণসিমক লৈরমদ্রবদি ইবোহলনা চীফ মিনিষ্টর ওইবসিদা ওন্থোক্না খোঙলৌ-পল্লৌবা য়াল্লমগদবনি।

লৈবাক্কী মপী-মপা হায়বদু ওইরুবদুনা লৈবাক মীয়ামগী ঙাক্তা খল্লো, ইমুং-মনুংগী করিমত্তা খল্লুরনু হায়বসিদ য়াদবনিনা ইমুং-মনুং, মচা-মশুগসু খরা অদুম খনবা তাবনি। মখোয়গী মচা অহুমদু মপান লমদা লাইরিক তম্বা চৎপগী মতাংদা সনাহনবী মপুরোইবগা মতেক অমদি নীংঙাই শংদানখি। গভর্নমেন্টকী নোমিনী ওইনা মপানগী অফবা স্কুল-কোলেজশিংদা মখোয়গী মচা অহুমদু তমহন্নবগী ৱাফম মপুরোইবদা হৌদোক্লুবদা মপুরোইবনা মাগী ৱাদু য়ৈথৎতুনা ইরায় লায়না খুল্লিকখিদু মা পেনখিদে।

"সনা, ঐখোয়সি লৈবাক্কী মপী-মপানি হায়দুনা লৈরগা ঐখোয়না অসুন্না তৌশিল্লুরগা মীনা ঐখোয়বু করি হায়না হায়নখিনি। শক্তি লান্না শীজিন্নরে হায়দুনা পাউথোকপিনবা মীসু ভারীদা লৈরিবনি; মেক লাউবদা খবরদা ফোঙগদবগী কোঙ্গায় অমনি। ফীভমসিদা ঐখোয় চেকশিন্দবা য়াদবনি। চীফ মিনিষ্টসি পিবা ফমসু নত্তে।"

"মীনা করি হায়নখিনি হায়দুনা ইচা-ইশুশিংসি অমতা শেমদবা তাব্রা? হয়েং ইচা-ইশুশিংনা মী ওইহৌদ্রবগা ৱাগদবসি ঐখোয় অনীখক্তনি। লৈবাক মীয়ান্না নোংমতসু অৱাবদা শরুক য়াবিগদবা নত্তে।"

"ঐখোয়না ভোট লেপ্পগা প্রজাশিংনা ভোট পীরগা শক্তি পীরগা ঐখোয়না ঙসি ওইরিরা ফীভমসি ওইবা ঙল্লিবনি। অদুনা ঐখোয় তুং-মাঙ য়েংনা থবক তৌবা তাবনি।"

"তাইবংপান পূন্নমক মচা-মশুগী খন্নরিবা ঙাক্তনি। ঐখোয়গীসু মতাং চারিঙৈদা ইচা-ইশুগীসু খরা খলহৌবা হায়বসি মীনা তৌনদবা থবকসু নত্তে। থোইদোক্লা কায়বসু নত্তে।"

নুমিৎতু সনাহনবী মপুরোইবগা কুইনা অৱায়-অখুম তৌনদুনা ঙাঙনখি। অমনা অমবু ভাব তানবা ঙাঙনবা ঙমখিদে। অদুবু অরোয়বদদি সিমদি য়ানখি মদুদি মী মীশৌ চঙলক্তনবা লাইরিক খর ফবা মচানুপা য়াইমদু গভর্নমেন্টকী নোমিনী ওইনা তমহল্লগা খজিক্তং শোন্তক তৌবা অহলগা অতোনবদুগনা পৈশা চঙলবসু প্রাইভেটকী কোলেজ অমমমদা তমহনবা হায়না।

চীফ মিনিষ্টরগী ফম লেঙদবা পিবা ফমমকসু নত্তে। মীৎকূপ খূদিং চিংথগদৌবগী ঙাইদুনা লৈবা মীসু ভারীদা লৈ। দিসিদেন্ট এম এল এ কাঙবুশিংনা অমুক-অমুক পূনশিন্নরগা তাঞ্জা য়েংলগা নীল্লকপদা সরকার কায়গে কায়গে তৌবা মতাং অমুক অনীরকসু য়াওখ্রবনি। নহানৱাই অহানবা কারকপা মতমদা য়েংখিবা পাঞ্জিদুনা হন্দক্তি মীনা য়ান্না য়েংশিল্লি হায়দুনা ঙন্তানা হায়রকখ্রবনি। পাঞ্জি অদুখক্তসু নৎত্রি মখোয়গী অরুবা থমক অমতং তৌবদা হেক-হেক য়েংবা ইমা মাইবীদুনসু হন্দক্তি চেকশিল্লু হায়রকখ্রবনি। চেকশিলহৌদ্রবদি ফম তাউ হায়বা লৈ হায়সি নহান মাইবী শেল হুল্লুবদা ময়েক শেংনা হায়রকপা লৈখ্রবনি। অনীমক চীনহায় চপ মান্নরি। পাঞ্জিগীদি মহাক্না হায়রকপা মতুংইন্না অজা-পূজা তৌখ্রবনি। মাইবীগীদি ইবোহল মশা য়াওদঅবদি য়ারোই হায়রকপদুনা সনাহনবীনা মপুরোইবদা ৱাফমসি খজিক্তং কাঙথোরচরুবদা মপুরোইবনা নাচঙদনা খুল্লকখিবদু পেনখিদে।

অসুক লুরবা তাঞ্জাসিদা সনা নঙনা তৌরিসিবু ঐবু ভাব অমতা তাদ্রে। দিসিদেন্টগী ঈরাংসিবু মাইবীগী থৌ তৌরগা ফগদ্রনে?"

"মখোয় পাবুং তিনখেৎ লাইখেৎপা তৌবিগদু। দশা, লাংফম ফৎত্রবদি লই-নুং খুরুমথোল্লগা ফবসু লৈবনি। নহানৱাই ঐখোয়বু ইমা মাইবীনা হায়খিবা ময়ামদুবু থাজখিব্রনে?"

"হোয়, অদুবুদি মতমদুদা পাঞ্জি কয়া, মাইবী কয়া চঙদুনা য়েংখিবনি। চুন্না হায়রখিবা হায়ববু মখোয় অনীখক্তনি।"

"মী-মীগী পক্লবা, চান্নবা হায়বা অমসু লৈবনি। অমদ চুম্বদু অমদা লানবা য়াই। ঐখোয়গীদি মখোয় অনীনা চান্নবা, পক্লবা হায়বদু ওইরি।"

"অদুবু লাই-নুং খুরুম্বদুবু ঐ য়াওদ্রবদি য়াদরা জাৎলা... ফীভম মতাং সিদা কেম্প থাদোক্তুনা চৎপা হায়বসি ফৎতি ফত্তবা জাৎনি।"

মসিগী মতাংদা ইবোলনা সনাহনরীগা মরৈমক নৎত্রবসু ৱা খরা শাংনা ঙাঙনখি। অমদুবু মমৈদা সনাহনবীনা ঙমদুনা ইবোহলনা মাগী থাজবা মীশক অমদা মখোয়গী কেম্পদু শিন্নরল্লগা সনাহনবীনা হায়বা মতুং ইন্না মাইবীদুগী মনাক্তা চৎলুবগী পাউ চাউনা য়াওরকই। নুমিৎতুগী প্রজা-মীয়ামগী ৱারীদু মদুনা ওইখি।

মখোয় অনীগী মরায়বক্লরা নৎত্রগা দিসিদেন্ট কাঙবুগী লাল্লোং শীনবা শোয়বদগীরা দিল্লীদগী লাকপা হায় কম্যান্দগী কাঙবুনা ইবোহলদা থাজবা লৈখিবদগী ইবোহলনা মখা তানা অদুমক চীপ মিনিষ্টর লেঙদনা ওইখি।

নুমিদাং মীটিং চৎলুবদগী পার্টি য়াওশিল্লক্তুনা হীদাক থকচিন্দুনা লাল্লগা ঙাউরি-ঙাউরি তূমখিবা মপুরোইবদু সনাহনবীনা হৌগৎলকপদা মপুরোইবনা হান্না হৌগৎলমদুনা অয়ূক্কী থবক-ইনখাং লোইশিনগদবা পূন্নমক লোইশিল্লম্মে। মানা অয়ূক্কী থবক-ইনখাং ফৎ-ফৎ লোইশিন্নবা হোৎনরিঙৈদা ক্বার্টরদুদা লৈমিন্নবা মী অয়াম্বনা মাবু উবদা মোমোন নোল্লম্মী। ৱাদি অমত্তা ঙাওলক্তে। করি শোয়রবনো হায়দুনা সনাহনবী মশা মতোমতা খনবদা লাম্বা ফংখিদে। দাইনিং রুমদা ব্রেকফাষ্ট চাগে হায়দুনা ফমথবদা ঙায়রি মপুরোইবনা মান্না হান্না পারম্বা খবরদু মমাঙদা ইনশিল্লকই অদুগা হায়রকই, "তূ! ঙসিগী খবরদু হান্না অমুক্তা য়েংউ"।

সনাহনবী অশাবা শঙ্গোমদু খজিক্তং চিংলগা মপুরোইবনা ইনশিল্লক্লিবা খবরদু মুন্না য়েংই। ঙরাং হিয়াংথাঙ লাইরেম্বী খুরুম্বা চৎপদা চিনখ্রবা মীয়াম মরক অদুদা প্রেসকী নুপীমচাদুনা মঙোন্দা হংখিবা ময়ামদু অমতা চীথদনা মরী-মরী য়াওরকই১

"নঙগী ঙরাংগী ইন্টরভিয়ুদুগী মতাংদা ঙসাইনা ঐগী মরূপ-মপাং ময়ান্না ফোন তৌরকখ্রবনি।"

"করি করি হায়রকইবা?"

"সাহেবকী ইতৈমা অসিগুমবা অমতং ঐখোয়গীসু লৈজরবদি ঐখোয়বু শোয়দনা চীফ মিনিষ্টর ওইবা ঙমগনি।"

"মদুদা মখোয় পাবুংনা করি করি হায়খ্রবা....?"

"ঐগী চীফ মিনিষ্টরসিদি ঐখোয় সনাহনবীনা তংখায় অমা ওইরিবনি। মহাক্লা তংখায় অমা ওইরমদ্রবদি নহান্না চীফ মিনিষ্টরদগী ফম তারমগদবনি।"

"মদুমক হেক হায়ব্রনে?"

"কৈনো হায়দদি... অচুম্বদু হায়দনা করি হায়দোইনো?

ইবোহলনা চঙশিল্লক্লগা সনাহনবীবু চেজেৎ কোনশিল্লকই অদুগা নুংশিনা মখজায় অনীদুদা চুপ-চুপ চুপ্লকই।

"মখোয় পাবুংসিদি মতা অমনিনে... হনুরকানসিদা।"

## তাবুনুংদগী

### সেপ্টেম্বর থাঃ ইরোবত থাবুম

শক্লোন কয়া পুরম্বা মীয়ামগী লুচিংবা হিজম ইরাবতকী পূন্সিগা সেপ্টেম্বর থাগা য়াম্না চুশিন্নবা মরী লৈনবদৌনা তৌই। মহাক্কী পূন্সিগী মপূঙ ওইবা থৌদোক ৱাথোক খূদিংমক সেপ্টেম্বর থাদা থোকখি। লুচিংবা অসি সেপ্টেম্বর ৩০, ১৮৯৬তা পিশুম ওইনাম লৈকাইদা পোকখি। ইরাবতকী পূন্সিগী চাউদা চাউনা অহোংবা লাকখিবা থৌদোক ওইনা সেপ্টেম্বর ২১, ১৯৪৮দা মণিপুর, ত্রিপুরা, কছার অমসুং লুসাই চীং (হৌজিক্কী মিজেরম) পুনশিল্লগা পুর্ব্বাঞ্চল প্রদেশ শেম্নবা হোৎনরকপগী মায়োক্তা এম দি য়ু হোলদা মীটিং পাঙথোক্লবা শিল-লাংলিঙৈদা পুংদোংবমদা মীটিং য়াওবা লাকপশিং থিংনবা হোৎনবা পুলিস ওফিসার অমা শিখিবদগী খুদক্তা অন্দরগ্রাউন্দ চঙখি। খূৎলায় পায়বা লান হৌখি। সেপ্টেম্বর ২৬, ১৯৫১দা বর্ম (ম্যান্মার)গা মণিপুরগা তাইনবা মফমদা লৈবা মহাক্কী লিবরেটেদ জেনগী হেদ ক্বার্টর তাংবোদা তাইফদনা নাদুনা তাইবঙপান থাদোকখি। থাবুম অসিদা মীয়ামগী লুচিংবা ইরাবতপু নীংশিংবা ওইনা মহাক্না ইরম্বা শৈরেং অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।

*তোকঙা*

*অসিৱাইদা নুপী অমা কপহল্লমই,*
*লংফৈদা হিংলিবা মচা হাৎতোকই।*
*অসিৱাইদা ময়াম অমা নোকহল্লি*
*ওইদবা মী অমা ফম থিন্দোকই।*
*মচি অমদা খম থেংনা কিহল্লি,*
*অশিবা অমা হিয়াং 'থৌবা ওইহল্লি।*
*পোকপনা মকোক খিক্তং তোংবা*
*থোকপনা পোকলে ব্রহ্মা অমা।*
*মশা চাদনা মতু চিনহল্লি,*
*মায়কৈ মরী ৱা-ৱা শরা শল্লি।*
*অসিনি অদুনি লৈতে অরেপ্পা মূর্ত্তি-*
*চিন্থিবগী চিন্থানদা ইংখোনবী।*
*লান্দা লাল্লবসু দোষ থিবিদে*
*চেক্তা চেকশিল্লগসু শ্বাই, লৈতে।*
*মানা য়ৌদবা মফমসু লৈতে-*
*য়ৌরোই হায়নীংঙাইসু লৈত।*
*চিল্লবা কারাগার মনুংদসু অদুমঙাই*
*কল্লবা শাসনগী পন্নুংদসু অক্মানি।*

## মণিপুরী পাষ্থে –পাউরৌ, পাউতাক

- তোকপনা য়েনগোল থল্লে
  –ফত্তবা হিংচা য়াইতম্বা ঙাক্তা ঙায়বা থৌদৌ।
- তোঙান চাবা কুমদদি শেন্দ্রাং মথিবু অনানি খুল্লি
  –পৈশা পায়দ্রবা মতমদদি মমিত্তা পৈশা ঙাক্তা ওইনা উরকপা।

*খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন*

## চানক্য নিতি

– অচুম্বা লমচৎ-শাজৎনা নুংঙাইবগী মরুনি। লৈঙাক্কী মকোক্লা অচুম্বা মথৌ খঙবা চঙই। নুংঙাই-য়াইফবদি লাইনিংগী ৱাখল- লৌশিং মতুং ইন্না পাঙথোকপদা হেন্না নুংঙাইবা পুরকপা ঙমই।

– শেন্মীৎলোনসু লাইনিংগী হৌরকফম ওই, শেন্মীৎলোন চাউখৎলবা মতমদা লৈঙাক্লা মাঙজিল থাবা ঙমই।

*মণিপুরীদা হন্দোকপাঃ শগোলশেম গৌরমহন সিংহ*

## মণিপুরী পাউখোঙ

৯৯৩। ইংখোল মতোল খোই চোপ্পা করিনো?
৯৯৪। ইংলগা চাবা হাওবা, শারগা চাবা হাওতবা করিনো?
৯৯৫। ঈপাকথক্কী ফৌরা করিনো?
৯৯৬। ঈশিংদা পোকপা কংফানদা চাক তাবা করিনো।
৯৯৭। ইংখোল মতোল নোংমৈ কাপ্পা করিনো?

(ঙসিগী পাখোং লমায় ৮দা ফোঙজরি)

## মীরোন্দগী হন্দোকপা লাইরিক

## ঐগী পূন্সি অমসুং মণিপুর

*(জর্নেল সিংহ মণিপুরগী চীফ সেক্রেটরী ফাওবা ওইরম্বা আই এ এস ওফিসার অমনি। মহাক্লা মণিপুরদা থবক তৌরিঙৈদা থেংনরকখিবশিং অদু নীংশিংদুনা ইংগ্রাজীদা ইবা 'মাই ত্রাইষ্ট ৱিথ মণিপুর' হায়বা লাইরিক অসি ক্ষেত্রিময়ুম সান্ত অমসুং ডা. কে এস ঐচ নরায়ন সিংহনা মণিপুরীদা হন্দোক্লে। লাইরিক অসি কলম অসিদা মথং মথং ফোঙদোকচরি।)*

*– জর্নেল সিংহ*

(মমাঙ নোংমাইজিংগী মখা...)

### "চীফ মিনিষ্টরগী এদভাইজর"

মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর টার্ম অহুম্লক থংননা ওইরবা ও ইবোবী সিংহদগী ঐনা তেলিফোন কোল অমা ২০১২গী জুনদা ফংলম্মী। মণিপুরদা পাৱর সপ্লাই ফগৎহন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা পাউতাকপীনবা ঐবু মতম পীবা ঙমগদ্রা হায়না মহাক্লা ঐঙোন্দা হংলম্মী। ঐনা য়ারম্মী অমদি দিল্লিগী মণিপুর ভবনদা চত্তুনা চীফ মিনিষ্টর উন্নরম্মী। মণিপুরদা তোয়না অমসুং মতম শাংনা মৈ ফংলমদে অমসুং মৈ হুরানবসু য়েংশিনবীনবা লৈরমদে। ইলেক্ট্রিসিটি লৈবগী চাদিং হেনগৎলিঙৈদা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা ইলেক্ট্রিক চার্জ খোমগৎপসু চাং অমদা মান্ননা লৈরম্মী। মসিনা ষ্টেটকী দিফেন্স দিফিজিৎ হেনগৎহল্লম্মী।

মণিপুরগী সেক্রেটরী (পাৱর) ওইনা ঐনা চহী তরুক্লোম থবক পুখি। চাউরাক্লা চহী মরি মখায়রোম গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইনর্জিগী পাৱর দিপার্টমেন্টতসু ঐনা অন্দর সেক্রেটরী মসুং দিপ্যুটি সেক্রেটরী ওইনসু থবক পুখি। ঐনা পি এম ওদা লৈরিঙৈদা পাৱর সেক্টরগা মরী লৈনবা থবকশিং চহী নিপাল পায়রম্মী। পাৱর সেক্তরদা ঐনা চাউরাক্লা চহী ১৯ থৌ পুরম্মী। ভারতকী অমসুং মণিপুরগী পাৱর সেক্তর দিভলপমেন্টকী মতাংদা মনুং মপান অনীমক ঐ খঙখি। মণিপুদা মে ১৯৮৬তগী জুন ১৯৮৮ ফাওবা সেক্রেটরী পাৱর ওইনা ঐনা কন্না হোৎনখি অমসুং মসিগী মথৌ হেনগৎহল্লম্মী। ষ্টেটকী য়াম্না তঙাইফদবা অনৌবা কে ভি ১৩২ / ৩৩ অমসুং কে ভি ৩৩ /১১গী সব-ষ্টেসনশিং লিংখৎপগী মথক্তা পাৱরগী টেক্লিকেল অমসুং কম্মর্সিয়েলগী মাঙজবশিং হন্থহন্নবা মীৎয়েংদা ঐনা পূক্লিং চঙলম্মী।

কুমজা ১৯৮৮-৮৯ গী পাৱর মিনিষ্টরশিংগী কনফরেন্সতা মণিপুর ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্টনা ১৯৮৭-৮৮ চহীদা মশক থোক্লা থবক তৌবগীদমক শিল্ড অমগা লোয়ননা কেস এৱার্ড পীরম্মী। এৱার্ড প্রজেন্টেসন তৌবা মতম অদুদা ঐ হাবার্দতা লৈরম্মী। মতম অদুগী মণিপুর উলেক্ট্রিসিটি এমপ্লোইজ য়ুনিয়ন (এম ই য়ু) গী প্রসিদেন্টনা ঐঙোন্দা চিঠি অমা ইরল্লম্মী অমদি ঐগী হোৎনজন্না মণিপুর ষ্টেটনা এৱার্ড অদু ফংবনি হায়না ঐবু থাগৎপীরম্মী। মণিপুরগী পাৱর সেক্তরদা ঐনা তৌখিবা থবকশিং অদু পাৱর দিপার্টমেন্টকী কর্ম্মচারীশিং অমসুং ইঞ্জিনিয়রশিংনা খঙই। তশেংনা হায়রবদা ইলেক্ট্রিসিটি দিপার্টমেন্ট অসি মতম পূন্নমক্তা ঐগী থম্মোয়গা কোন্নদুনা লৈরি। (মথং মথং...)

## শৈরেং

### চাকখৎলক্লিবা মৈরা

*– অঙাম সরিতা*

মৈরী অসিনা চাকখৎলকপদা
ইমা নঙবু নুংশি হায়দুনা
করিবু তৌবা ঙমগনি
নচা শন্দ্রেম্বীনা।

তৎতনা হায়রি
ইমা নঙনদি
খ্বাঙ য়ৌরে
ঙক য়ৌরে
ইমা ইবেম্মা চাল্লিবা মৈরীদু মূখৎলু।

ইমা ঐগী করি উপায়নো
খোঙসু
খূৎসু পুনশিনখ্রে
চীনসু মেনশিনবিখ্রবা লমদমসিদা।

মৈরীসিদি
হেন্না হেন্না চাকখৎলকই
কনানা মৈকনবিগনি
লৈতে লাইজ ঈশিং অমতসু
কায়খ্রে ঈশিং পুলসু।

### নীংশিং থানা লাক্লবদা

*– আর, কে, মীনা*

লোইখ্রবদা চৎখ্রবদা নখোয়না
নোংমা নোংমগী অকাওপরৈ চনখ্রবসু
ঙসিদি নৌহৌননা পূন্নমক নীংশিঙলক্লে।
নখোয়গী নীংশিং থানা লাক্লবদা
হে লৈরোন চনখ্রবশিং।
অমমমতা ওইনা লেপ্পরবে ইমাঙসিদা
নখোয়বু নীংশিঙদুনা খরা কপ্পী লাওরি খোংলি
খরনা ঈশৈ শক্লি খরনা ৱাকৎলি।
চারি থকলি নুংঙাইরি নোক্লি খেরী
মপাল নাইদ্রবা মালেম লৈমাইসিদা
হায়ফম খঙদ্রবা অঙক অঙকপা শক্লোন
কয়া কয়ানি লৌনরিবা মীরমলেনসিদা
নীংশিঙ থানা লাকপদা মাঙখ্রবা লোইখ্রবা
চৎখ্রবা নখোয়গী নফমদা শকলোনশিংদুনা
কৎলি খুরুম্লি লেপ্তুনা নখোয়গী নফমদা
মখোয় অমনা করি হায়রিবনো খঙদে।
অখঙ অহৈতনা পীক থল্লবা লমদম
উফুলতনা খোঙগাওনরবা
লৈরক খুলক পীকশিনখ্রবা
শেল থুমদা খমথেংনা ৱানরবা
অমদা অমুক কোখোকপা অমদা অমুক মেনবা
লমদম ফজৈ নীংথিজৈ শোম্বা নত্তনা উপায় লৈতে।
হেক অথোইবা থৱায় মীরেলশিং
নখোয়না খোঙদোয়রকপদা অইংবা
অতপ্পা লমদম ওইহনবীরম্মুকো হে লাইওবশিং
নখোয়গী নীংশিঙ থানা লাক্লবদা।

### ঐগী ময়িপুর

*– খুন্দোংবম গোকুলচন্দ্র*

কাঙবু কাঙবু নাইনৈ
খূৎপু খূৎপু শেন্নৈ
অমনা হায়বা অমনা তাদে
অমনা ঙাঙবা অমনা লৌদে
ঐগী পোক্লফম ময়িপুরদা।
থীনা থীনা চৈনৈ অমগা অমগা
অফবা তৌবদা অমনা
চিংথৈ অমনা অঙম্বী থাদুনা
থাজবা ঙমদে অমনা অমবু
অপীকপা ৱাখলগী অচৌবা লাঞ্জাও
থোকহনবা ঙম্মী ঐগী ময়িপুরদা।
থাদা, শজিকতা, থবাদা চৎনবা
অতিয়াদা লমদনফম শেমদুনা
বিজ্ঞানগী চাংয়েংশঙ থল্লবা মতম
ঙাওনরি ফিজেৎতা চাকচাদা য়াই য়াদে
থৌরী চিংনরি ঐগা মাগা নঙগা
করম থোল্লগাবা পলেম নহাকপু
ঐগী পোক্লফম ময়িপুর
করম থোল্লগাবা পলেম নহাকপু ?

### হে লুচিংবা ইরাবত

*– নিরঞ্জন উশম*

হে লুচিংবা ইরাবত
থারম্লে নঙনা শিদবা উপাল
লৈহৌরগনি মুৎপা নাইদনা
ইখ্রবনি সনাগী ময়েক্লা।

কথোকখিবা পূন্নমক নরৈবাক্কী
সনাগী কোনুংদু থাদোল্লমখি
খোমদোনসনাদু নাথৈরমখি
নহাক্তনি অশেংবা লুচিংবা।

পোকচমলগী মহয় য়াল্লবনি
শিরবসু অদুম হিংলবনি
মপোক লাংওন অমদা শোয়দনা
লাকউকো হিজম ইরাবত ওইনা।

### থৌবান্দোং চফু

*– অয়াম ইবেতোম্বী*

অথাপ্পদগী ঈকোক নোঞ্জরি
ওঝা পূন্নমক্কী মফমদা।
ছাত্র হায়বা ঐখোয়সে,
ওঝাশিংগী মফমদদি
থৌবান্দোংগী চফুনি- চফু।

মচাগুন্না খল্লমদ্রবা মখোয়না
কায়নবা য়ৈরমগনি থৌবান্দোং চফুন্দা!
ওঝাদগী হেনবা অতোপ্পা অমা, লৈতে
ছাত্রশিংগী লমচৎ শেম্বীনবা
অপাকপা অপোকপীনা পাঙখকনি ওঝাদি।
হৈহন্নিংবনা হেনখিবনা লিচৈ কয়া চারকখি
ওঝাশিংগী।

ইমান্নবী মমাংদা, ৱানা চৈনা খাঙজখি
ইকায় নুংশি য়ান্নখি।
অদুবুনে ঐখোয়সে য়েক্লবা নত্তে ওঝাগী
মখোয়সু তিংখং নত্তে ছাত্রগী
খোয়খা লিনখা থাফদে
ওঝা গুরুগী মফমদা।

### লুম্বীনীদা

*– হুইরেম তোম্বীসনা*

লুম্বিনী, পুকচেল তপ্পবী
কল্লিবরা নঙবু নদোম তুমিন্না
নৎত্রগা নোক্লিবরা খাক্লা?
নঙদি খঙলমগনি পূন্নমকসে
ইংল নঙগী লৈকোলদা
পোখাজনিং মিকুপ 'মতং
লাকখিবা যাত্রিকশিং
ঙন্না য়াতাখ্রে
অমুক হল্লক্লরোইদবা লম্বীদা
খুৎ হাইর হায়রদুনা।

নেমথদ্রিবরা অশাওবা মতমদুগী
চৎখ্রবদা মানা নঙবু হুন্দোক্লম
নীর্ভানাগী লম্বীদা
অদুনা য়েংলিবরা মিৎ পেন্না
য়েংহৈদ্রবা ঙসিগী থৌদোকশিং
তুমিন্না নথন্নতা।

অদুবু খঙঙু লুম্বিনী
নঙগী চীল্লবা লৈকোলগী
পূক্লিং হুবা মশক্তুদি
মাঙখ্রগনি মতম চুপ্পগী
শিনখ্রগনি নাহে খোঞ্জেলতনা
নীংঙমদনা শিখিবা থৱায়শিংগী

# ব্রিক্স সম্মিট ২০২৬: পহলগাম টেরর এটেক কন্দেম তৌবগা লোয়ননা ক্রোস বোর্দর টেরোরিজমগী মায়োক্তা অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা হায়না ব্রিক্স লৈবাক্লা ৱারেপ লৌখ্রে




ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সি): হৌখিবা চহী ২০২৫কী এপ্রিল থাদা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্ট ওর্গ্যনাইজেসনশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পহলগামদা চত্থরকখিবা টেরর এটেক অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা ক্রোস বোর্দরদা চত্থরিবা টেরর এক্টিভিটিশিং অসিবু অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবা হায়না ব্রিক্সকী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা ৱারেপ লৌখ্রে।

ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিগী ভারত মান্দপমদা চত্থরিবা ১৮শুবা ব্রিক্স সম্মিটতা শরুক য়াখিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী মকোকথোংবা লুচিংবশিংনা পহলগাম টেররএটেক অদুবু কন্দেম তৌবগা লোয়ননা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী 'বিল্ডিং ফোর রিসিলিয়েন্স, ইন্নোভেসন, কোওপরেসন এন্দ সষ্টেনেবিলিটি' হায়না মিংথোন্দুনা ফোঙবা দিক্লারেসন অমবু শৌগৎলদুনা প্রোস বোর্দরদা চত্থরিবা টেরোরিজমগা মরীলৈনবা টেরর ফাইনান্সিং, সাইবর ফ্রোট, ইলিগেল ফাইনান্সিয়েল ফ্লো অমদি ক্রোস বোর্দর স্কেম নেটৱার্কশিং অসিবু অমত্তা ওইনা লেপমিন্নদুনা মায় পাক্না থেংনমিন্নবা হায়না ব্রিক্স লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা য়ান্দুনা ৱারেপ লৌখিবনি।

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মায়কৈদগী রিলিজ তৌখিবা দিক্লারেসন অদুদা হৌখিবা চহী ২০২৫কী এপ্রিল ২২দা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পহলগামদা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্টশিংনা টেরর এটেক চত্থদুনা মীওই ২৬ হাৎখিবা অমদি কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌদোক অদু অৱাংবা থাক্তা কন্দেম তৌই।

ক্রোস বোর্দরদা চত্থরিবা টেরোরিষ্টকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মরুফংনা মুখৎনবা খোঙজং চংশিনবা হায়বা ৱারেপ অদু ব্রিক্স লৈবাকশিংনা শৌগৎখিবনি।

টেরোরিজমবু মরুফংনা মুখৎনবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না থল্লিবা পান্দম অদুবু শৌগৎলদুনা ব্রিক্সকী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা ক্রোস বোর্দরদা চত্থরিবা টেরোরিজমগা মরীলৈনবা মুভমেন্টশিং অসি থিংনবা খুদক্তা মথৌতাবা থবক থৌরমশিং লৌখৎপা মথৌ তাই।

মরুওইনা টেরর ফাইনান্সিয়েল নেটৱার্ক অমদি টেরোরিষ্টশিংনা সাফনা লৈরিবা মফমশিং অসি থিদোক্নুনা অকনবা এক্সন লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না ফোঙদোক্লুখি।

ব্রিক্স লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মীওইবগী মথক্তা টেরর এক্টিভিটি চত্থরিবা টেরোরিজম অসি রিলিজন, নেসনেলিটি, সিভিলাইজেসন নৎত্রগা ইথিনিক গ্রুপশিংগা মরী অমত্তা লৈনহল্লোইদবনি। টেরর এক্টিভিটি চত্থরিবা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েং য়েংদুনা নেসনেল অমদি ইন্টরনেসনেলগী লোগী মতুং ইন্না মখোয়বু চৈরাক পীনবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোক্লুখি।

## ব্রিক্স লৈবাকশিংনা গাজা অমদি ইরানদা থোক্লিবা কনফ্লীক অসি কন্দেম তৌদ্রিবা করিগীনো হায়না মুফতিনা হংলক্লি

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সি): হৌখিবা চহী ২০২৫তা পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরোরিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী পহলগামদা টেরর এটেক চত্থরকখিবা অদুবু ব্রিক্স লৈবাকশিংনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌবা থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু গাজা অমদি ইরানদা থোক্লিবা কনফ্লীক অসিগী মতাংদা ব্রিক্স লৈবাকশিংনা ৱাফম



অমত্তা ফোঙদোক্ত্রিবা করিগীনো। টেরোরিজম হায়বা অসি মীচং শঙ্গ য়েংদুনা কন্দেম তৌবগী থৌওং চত্থরোইদবনি হায়না পি দি পিগী চীফ মেহবুবা মুফতিনা নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

মেহবুবা মুফতিনা মহাক্কী ওফিসিয়েল এক্স একাউন্টদদা থাদোরকপা ৱারোল অমদা পহলগামদা টেরর এটেক চত্থরকখিবা অদুবু ব্রিক্স লৈবাকশিংনা কন্দেম তৌবগী থৌওং থাগৎনিংঙাইনি। অদুবু ইন্দিয়ানা ব্রিক্সকী চিয়ার ওইবগী খুদোঙচাবা লৌদুনা গাজাদা ইজরেলনা চত্থরিবা জিনোসাইদ অমসুং ইরানদা য়ু এস অমদি ইজরেলনা চত্থরিবা এটেক অসিবু অকিবা য়াওদনা লুচিংবা অমগী থৌদাং ঙাক্না ব্রিক্স লৈবাকশিংগী মমাঙদা য়ানিংদবা ৱাফম ফোঙদোক্কদবনি।

গাজাদা ইজরেলনা চত্থরিবা জিনোসাইদ অমসুং য়ু এস অমদি ইজরেলনা ইরানদা চত্থরিবা এটেক অসিদা গাজা অমদি ইরানগী লৈরিবা মকোকথোংবা পোলিটিকেল লিদর কয়া হাৎপদা নৎতনা মহৈ মশিং তন্নিবা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোই কয়া হাৎপগী থৌওং চত্থদুনা লাক্লি হায়না মেহবুবা মুফতিনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তারদুনা হায়, টেরোরিজম হায়বা অসি মীচং মীখায় নাইদুনা কন্দেম তৌবগী থৌওং চত্থরোইদবনি। মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিংদগী চেন্থরক্লিবা অঙাংবা মচুগী ঈখেং অসি নেসনেলিটি লৈতে। ইন্টরনেসনেল জষ্টিসনা মায়থোঙ অনি লোংবগী শক্তম লৌরোইদবনি হায়নসু জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্বা পি দি পিগী চীফ মেহবুবা মুফতিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

**সনা-সুদোকু-১০৭৭গী সোল্যুসন**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 9 | 3 | 6 | 1 | 7 | 2 | 4 | 5 |
| 5 | 2 | 1 | 8 | 9 | 4 | 3 | 7 | 6 |
| 7 | 6 | 4 | 3 | 5 | 2 | 1 | 8 | 9 |
| 6 | 5 | 7 | 9 | 3 | 1 | 8 | 2 | 4 |
| 3 | 4 | 2 | 5 | 7 | 8 | 9 | 6 | 1 |
| 9 | 1 | 8 | 2 | 4 | 6 | 5 | 3 | 7 |
| 2 | 8 | 9 | 4 | 6 | 5 | 7 | 1 | 3 |
| 1 | 3 | 6 | 7 | 8 | 9 | 4 | 5 | 2 |
| 4 | 7 | 5 | 1 | 2 | 3 | 6 | 9 | 8 |

## টেরোরিষ্ট অমগী অশিবা হকচাং লৈরম্বা থেংনখ্রে

জম্মু, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সি): পাকিষ্টানগী টেরোরিষ্ট ওর্গ্যনাইজেসন জয়ইস-ই-মোহম্মদ (জে ই এম)গী টেরোরিষ্ট ওইগনি হায়না চিংনবা মীওই অমগী পুমথরবা অশিবা হকচাং জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী দোদা দিষ্ট্রিক্টগী জে এন্দ কে পুলিসনা রিকোভর তৌখ্রে।

জে এন্দ কে পুলিসকী মতুং ইন্না পুমথরবা হকচাং ওইনা রিকোভর তৌখ্রবা অশিবা হকচাং অদু সেক্যুরিটি ফোর্সনা মমাঙ চহীদগী হৌদুনা টেরোরিষ্টশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা চত্থরক্লিবা কাউন্টর টেরোরিষ্ট ওপরেসনগী মনুং চন্না থোকপা নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক্তা সেক্যুরিটি পার্সোন্নেলশিংগী নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শোকপদগী লৈখিদবা ওইগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা অশিবা হকচাং অদুগী মনাক্তা য়ু এস মেদ এম ৪ করবাইন অমসুং এম্যুনেসন কয়াসু রিকোভর তৌবা ঙম্লে। লৈখিদ্রবা মীওই অদু পাকিস্তানদা বেজ তৌবা টেরর ওর্গ্যনাইজেসন অমগী মকোকথোংবা কম্মান্দর ওইরম্বা য়াবগী ওইথোকপা চাওনা লৈ হায়নসু জে এন্দ কে পুলিসকী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্লি।



## চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা মরী অসি অতেনবা মতমগী মরী নৎতে: জি জিনপিং



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সি): ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা ন্যু দিল্লিদা চত্থরিবা ব্রিক্স সম্মিট অসিগী খুদোঙচাবা লৌদুনা চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিং অমদি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মরক্তা উন্নখ্রে। উন্নবা অদুদা চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ অসি অতেনবা মতম খক্তদা য়ুমফম ওইরগা চত্থবা ষ্ট্রেটেজিক পার্টর্নরসিপ অমা নৎতে। তুংকোয়না লৈগদবা অশাংবা মতমগী ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপ অমনি হায়না চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা ফোঙদোকখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগা উন্নবা অদুদা জি জিনপিংনা হায়, এসিয়াগী খ্বাইদগী মরুওইবা লৈবাকশিং ওইরিবা চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা কন্স্ট্রকটিভ ওইবা মরী অসি তুংকোয়না থম্বা মথৌ তাই।

চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা তুংকোয়বা মরী থম্বা ঙম্লবা মতম খক্তদা লৈবাক অনি অসিগীদা নৎতনা এসিয়াগী ওইনসু খ্বাইদগী লাইবক ফবা ওইগনি হায়না ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরক্তা লৈরিবা ঙমখৈ পরিংদা ঙাইহাক লৈতনা মুক্লবগী থৌদোক ৱাথোক থোক্লিঙৈ চৈরক অসিদা জি জিনপিং অমদি নরেন্দ্র মোদিগী মরক্তা উন্নদুনা ৱারী শান্নখিবা অসি চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী লৈরিবা মরী অসি অনৌবা মায়োন অমদা পুরকপা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি।

ব্রিক্স লৈবাকশিংগী ওইনা ইন্দিয়া অমদি চাইনা হায়রিবা লৈবাক অনি অসি ইকোনোমিগী লমদা মাঙজিল থানা মায় পাক্লা চংশিল্লিবা লৈবাক ঙাক্তনি।

চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী মরক্তা লৈরিবা বাইলেটরেল রিলেসনসিপ অসি অমুক্কা হেন্না চেৎশিল্লবদি রিজন অসিদা ইং-তপ্পা লৈবগা লোয়ননা চাওখৎপগী লম্বীদা মায় পাক্লা চংশিনবা ঙম্লগনি হায়না ব্রিক্সতা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংনা থাজনরি।

## কোংগ্রেস পার্টিগী লুচিংবা হরিস রাৱৎকী পি এদগী লুপা লাক্ষ ৩২গী লন থুম ফাগৎখ্রে





দেরাদুন, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সি): কোংগ্রেস পার্টিগী মকোকথোংবা লুচিংবা ওইবতা নৎতনা উত্তরখন্দগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইরম্বা হরিস রাৱৎকী পার্সোনেল এসিসটেন্টগী প্রোপর্টিদগী চাওরাক্লা লুপা লাক্ষ ৩২ রোমগী ওইগদবা সনা গ্রাম ২০০.৫ অমদি অতাঙবা মখলগী লকজরি ৱাস ১২ এনফোর্সমেন্ট দাইরেক্টোরেট (ই দি)না ফাগৎখ্রে।

ই দিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরকপদা য়াম্লবা লুপা লাক্ষ কয়াগী লন-থুম অদু উত্তরখন্দদা হৌখিবা চহী ২০১৬দা ভিলেজ পঞ্চায়ট দিভলপমেন্ট ওফিসার রিক্রুটমেন্ট এগজামিনেসনগা মরী লৈননা প্রিভেন্সন ওফ মনি লোন্দরিং এক্টকী মখাদা চত্থরিবা ইনভেষ্টিগেসন অসিগী মনুং চন্না ধেরাদুনগী তোঙান তোঙানবা মফমদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা ফাগৎপা ঙমখিবনি হায়না ফোঙদোরিক্ল।

নাকল অমরোমদা লুপা লাক্ষ কয়াগী লন-থুম ফাগৎখিবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং কোংগ্রেস পার্টিনা পীরম্বা তোঙান তোঙানবা পার্টি পোষ্ট কয়া হান্নগী চীফ মিনিষ্টর হরিস রাৱৎনা রিজাইন তৌখ্রে।

## এয়ার ইন্দিয়াগী পাইলোট অমা হোটেলদা শিদুনা লৈরম্লে

ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সি): হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাংদা মশাগী চহী ৪৬ শুরবা এয়ার ইন্দিয়াগী পাইলোট অমা দেল্লিদা লৈবা হোটেল অমদা শিদুনা লৈরম্লে।

লৈখিদ্রবা পাইলোট অদু মুম্বাইদগীনি। সনিশরৎ অসালদেকর কৌই। এয়ার ইন্দিয়া এক্সপ্রেসতা কেপ্টেন ওইনা থবক তৌরম্বা মীওই অমনি। বোইং ৭৮৭ এয়ারক্রাফতা ওপরেট তৌবা ঙম্নবগীদমক হৌজিক হৌজিক দেল্লিদা লৈদুনা কনভরসন ট্রেনিং চত্থরিবা মীওই অমনি হায়রি।

দেল্লি পুলিসকী মতুং ইন্না বসন্তকুঞ্জ লৈবা হোটেল দ গ্রানদা কেপ্টেন সনি শরৎ অসাল দেকরগী হকচাংগী ফিভম নুংশা থিনিংঙাই ওইরে হায়না বসন্তকুঞ্জ নোর্থ পুলিস ষ্টেসনদা পি সি আর কোল অমা লাকখি। খুদক্তা মরীলৈনবা পুলিস ষ্টেসনগী পার্সোন্নেলশিংনা হোটেল দ গ্রানদা চংশিনবা মতমদা কেপ্টেন সনি শরৎ গ্যান মাঙদুনা লৈরম্বা থেংনখি। মহাকপু খুদক্তা মনাক নকপা হোস্পিটালদা পুখৎখি। অদুবু হোস্পিটাল ওথোরিটিগী মায়কৈদগী কেপ্টেন সনি শরৎ লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোরকখি।

হোস্পটালগী মায়হকদগী কার্দিয়েক এরেষ্টনা কেপ্টেন সনি শরৎ লৈখিদবা ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরকপা লৈরে হায়না দিল্লি পুলিসকী মায়কৈদগী মখা তারক্লি।

## Crossword # 1142



**Across**
1. Epochs
5. Jewish cleric
10. Peruse
14. Decorate anew
15. Pseudonym
16. Cleveland's state
17. Strong metal
18. Smuggled goods
20. ____ Ripken, Jr.
21. Spud buds
22. Cautions
23. Move furtively
25. Ogle
26. Mets' bygone home
28. Bath powder
29. Swab
32. Essential
35. Party
36. District
37. Prepare to pray
39. Afresh
40. Tie
41. Change
43. Fixed
44. Reimbursed
46. Falling sound
47. Monotonous
48. Dried plum
51. Monet, e.g.
54. Retirees' accts.
57. Science rm.
58. Stubborn
60. Relaxation
61. Balanced
62. Irritated
63. Headliner
64. Track event
65. Winter toys
66. Hide

**Down**
1. Roberts and Clapton
2. Televised again
3. Teen
4. Family member
5. Risqué
6. Burn reliever
7. Storage boxes
8. Cave inhabitant
9. Tel Aviv's country
10. Not tipsy
11. Blacken
12. Isn't, incorrectly
13. Indicates assent
19. Guinness of "Star Wars"
21. Squeaks by
24. In front
25. Tier
27. Interrogate
28. Tire pattern
29. Influence deviously
30. Bread spread
31. Chess piece
32. Apprehends
33. Buffalo's lake
34. Blacksmith's block
35. Croc's kin
38. Cup edge
42. "Heidi" setting
44. Shove
45. Changes
47. Common contraction
49. ____ spray
50. ____ & Roeper
51. Throat-clearing sound
52. Talk irrationally
53. Dogwood or palm
54. Unoccupied
55. Critic Rex ____
56. Tacks on
59. Feel unwell
60. Psychic ability (abbr.)

পাউখুম লমায় ৭দা ...

## হকচাংগী মুভমেন্ট শিজিন্নদুনা অশোকপা থুনা ফহনবা ঙম্বা স্মার্ট বেন্দেজ পুথোকখ্রে

ধেরাদুন, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সি): মোহালিদা লৈবা আই আই টি রুর্কিগী রিছার্সর অমদি ইনষ্টিট্যুট ওফ নেনো সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি (আই এন এস টি)না হকচাংগী মুভমেন্ট শিজিন্নদুনা অশোকপা হেন্না থুনা য়াংনা ফহনবা ঙম্বা স্মার্ট বেন্দেম অমা নৌনা পুথোকখ্রে।



বেট্রি য়াওদবা থ্রিদি-এম আই দি এ এস স্মার্ট বেন্দেজ অসি হকচাংগী মুভমেন্টনা মশা মথন্তা ইলেক্ট্রিকেল সিগ্নেল পীদুনা অশোকপা থুনা ফহনগদৌরি।

লেংথোক লেংশিন য়াবা বেন্দেজ অসি মীওইবনা চখোক চৎশিন তৌবগী মুভমেন্টদগী পুথোরকপা ইলেক্ট্রিকেল ইনষ্টিমুলেসননা মরম ওইরগা বেট্রি, ৱ্যার নৎত্রগা মপানথোংদগী পৱার সপ্লাই তৌবগী মথৌ তারোইদৌরি।

মীওইবগী উনশাদা অশোক অপন তৌবা মতমদা নেচরেল ইলেক্ট্রিক সিগ্নেলনা শোক্লবা উনশা অদু ফহনবদা মতেং পাংই। নৌনা পুথোক্লিবা স্মার্ট বেন্দেজ অসিনা হায়রিবা ইলেক্ট্রিকেল সিগ্নেলশিং অদু ট্রান্সমট তৌদুনা অশোকপা উনশা অদু থুনা য়াঙনা ফহনবা ঙম্মি হায়রি।

রিছার্সরশিংগী মায়কৈদগী হায়রিবা স্মার্ট বেন্দেজ অদু লেবোরেটরি এক্সপরিমেন্ট ওইনা শাশিংদা মায় পাক্লা চাংয়েং তৌখ্রে। সেল টেষ্টতা স্মার্ট বেন্দেজ অসিনা সেল গ্রোথ চাদা ৩ হেন্না পুথোকপা ঙম্বতা নৎতনা সেল মুভমেন্টসু চাদা ২.৫ হেন্না তৌবা ঙম্মি হায়রি।

লোবোরেটরিদা উচি শিজিন্নদুনা তৌখিবা টেষ্টতা উচি অদুগী অশোকপা উনশা অদু স্মার্ট বেন্দেজ নপশিন্দুনা য়েংবদা চাদা ৯০দগী ৯৫ য়ৌনা থুনা য়াঙনা অশোকপা ফহন্দুনা শুন্নতগী নুমিৎ ১৩দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা মপুং ফানা উনশাগী অশোকপা অদু মায় পাক্লা ফহনবা ঙমখি হায়রি।

অসিদা নৎতনা চাংয়েং অদুদা ব্লদ ভেসেল ফোর্মেসন, টিসু ষ্ট্রকচর অমদি কোলাজেন দিভলপমেন্টসু ফগৎহনবা থেংনখি হায়না আই আই টি রুরকিগী মায়কৈদগী মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

প্রিন্সিফাল ইনভেষ্টিগেটর ওইনা থৌদাং লৌরিবা প্রোপেসার কৌশিক পরিদানা ফোঙদোরকপদা এক্সটর্নেল পৱার সোর্সতা য়ুমফম ওইরগা ইলেক্ট্রিকেল ৱুন হিলিং সিষ্টেম সোল্ব তৌবগী খোঙথাং অসিগী মহুৎ হকচাংগী মুভমেন্টদা মশা মথন্তা ৱুন হিলিং ষ্টিমুলেসন জেনরেল তৌনবগী পান্দমদা পুথোকপা স্মার্ট বেন্দেজ অমনি হায়না ফোঙদোরক্লি।


**WANTED PARTNERSHIP INVESTORS**

Since 2012 dagi Registered touraga leijaraba Machinery Sales toujaba business firm amani. Handak ki fresh season asigi oina order masing khara yamna leiba maramna eigi hana akaknaba oina toujabanina, machine sing ashi eigi own capacity da chensinnaba hotnabada shortage leiba maramna, kanagumba kanagumbi sen thadharaga profit sharing 50/50 ratio da chap manana share toumінaningba leiragadi, henna akuppa marol gidamak makhada pijariba no.asida pao faobirakpa yagani. Geniunely partnership agreement hana tougani aduga makha taba step follow tougani....

Interested Investors Enquiry through Phone Calls only

Contact Us 87942 28735









**অয়েকপা লাই অসিদা খেন্নবা তরুক য়াওরি, খেন্নবশিং অদু পুথোকউ**




খেন্নবশিং অসিগী পাউখুম পেজ ৭তা

# যুক্রেনদা যুরোপিয়ান ট্রুপ থল্লবদি রসিয়াগী মায়োক্তা লান তৌবনি হায়না লৌগনি: পুটিন



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২, (এজেন্সি): যুক্রেনদা যুরোপিয়ান ট্রুপশিং থমজিল্লকপা তারবদি মদু রসিয়াগী মায়োক্তা চথরকপা লান অমনি লৌগনি হায়না প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ইরাই নুমিৎতা ৱার্নিং তৌখ্রে অমসুং মোস্কোনা অকিবা অমা পীদে হায়খ্রে।

মতম অসিদা মখোয়না যুক্রেনগী টেরিটোরি মনুংদা ট্রুপশিং করম তৌনা খাগনি হায়না খন্নরি। মদুগী ৱাহন্থোক্তি রসিয়াগী মায়োক্তা চথবা লান অমনি লৌগনি হায়না যুরোপকী লুচিংবশিং অদুগী মতাংদা মহাক্কী ৱারোল পল্লদুনা রসিয়াগী ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি।

যুরোপকী লৈবাক অমত্তদা ঐখোয়না কিহন্দে অমসুং কিহন্নবগী অনিংবসু লৈতে। মদু ঐখোয়না করিগী তৌগদৌরিবনো? যুরোপপু ঐখোয়না কনফ্লীক অমা পুশিন্নবগী মরম লৈতে হায়বসি কনাঅমতনা ফাওবা খঙদ্রমালে হায়না মহাক্না হায়খি।

মহাক্না হায়খি, যুরোপকী লুচিংবশিংনা রসিয়াদগী লাকপা ৱাখননা শাজিনবা অকিবা অমনা মখোয়গী মীয়ামবু কিহল্লি। অকিবা অসি লৈতে অমসুং কৈদৌঙেদা লৈখিদ্রি হায়না মখোয়না মখা তাখি।

রসিয়ানা ফেব্রুৱারি ২০২২দা যুক্রেনগী মথক্তা অচৌবা চাং অমদা লান্দাখি অমসুং যুক্রেনগী টেরিটোরিদা ৱেষ্টগী ট্রুপশিং থম্বা হায়বসি শোয়দনমক লাম্থোক্লোইদবা রেদ লাইন অমনি হায়না মহাক্না হন্ন-হন্না হায়খি।

অসিগুম্বা ট্রুপ থন্নবগী ৱাফম অসি চহী কয়ামরুমদগী হৌনা যুরোপকী লুচিংবশিংনা খন্নদুনা লাকখ্রে অদুবু কৈদৌঙেদা ওইথোক্লক্ত্রি।

রসিয়াগী ঙমখৈশিংদা নেটো পাকথোক চাওথোকপনা অকিবা অমা পী হায়রদুনা যুক্রেনদা চত্থবা এটেক অদু চুম্মি হায়না রসিয়ানা হায়রি।

ৱেষ্টর্ন মিলিটরি এলায়েন্স অদু ক্যিবনা কন্না য়াওনবা হোৎনরিবনি।

# যুক্রেনগী জেলেনস্কিনা য়ু এসতা জি ২০ সম্মিটতা পুটিনগা উন্নবগী অনিংবা লৈ হায়রি



ক্যিব, সেপ্টেম্বর ১২, (এজেন্সি): যুক্রেনগী প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেনস্কিনা থাংজ নুমিৎতা থাদোরকখিবা ইন্টরভ্যু অমদা মিয়ামিদা পাঙথোক্কদবা জি ২০ সম্মিট অমদা রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা উন্নবা মহাক্কী অনিংবা লৈ হায়খ্রে।

করিগুম্বা লুচিংবা অনিমক অদু ইনভাইট তৌরবদি দিসেম্বরদা মীফম অদুদা মহাক্না পুটিনগা উন্নগদ্রা হায়না ব্রোদকাষ্টর দিয়ুদসে ৱেলেনা হংবদা মহাক্না পাউখুম পীখি, শোয়দনমক উন্নগনি, ঐখোয় লাকপা তাবনি, ঐখোয় উন্নবা, ঙাংনবা অমসুং ৱেরেপশিং লৌবা তাবনি।

মসি ৱাহৈগী ৱাফম নৎতে। মঙোন দা ঐহাক্লা হায়বা পাল্লিবা নৎত্রগা মহাক্না ঐঙোন্দা হায়বা পাল্লিবা করিনো হায়বদুনা থোইদোক্তে, ফলনা মরুওইবনি। মদুনি ঐখোয়না পাল্লিবসি হায়না মহাক্না হায়খি।

হৌজিক চহী ৫ চংশিল্লক্লবা রসিয়া-যুক্রেন ৱার লোইশিন্নবা মতম শাংনা লেপ্পুনা লৈরকখিবা অদু হৌখিবা চয়োল লোইবা নুমিৎতা য়ু এস নেগোসিয়েটরশিং ষ্টেব ৱিটকোফ জারেদ কুসনেরনা মোস্কো অমসুং ক্যিবতা চৎখিবগা লোয়ননা ৱাসিং টননা থবক অদু অমুক হৌনবা হন্দক হোৎনখ্রে।

পুটিন অমসুং মহাক্কী য়ু এস ফম্মান্নবা দোনাল্ড ট্রম্পনসু হৌখিবা চয়োলদা য়াম্না লৌথুক লৌকোয় লৈনদনা পুং ১ রোম শাংনা অফবা ৱারী শান্নখ্রে।

ইরাই নুমিৎতা দি দল্লিয়ু ইন্টরভ্যু অদুদা জেলেনস্কিনা ৱিটকোফ অমসুং কুসনেরগী খোঙচৎ অদু অফবা ইঙ্গিৎ অমনি অমসুং ক্যিব লোয়ননা মোস্কোদা অনি অদুনা লাকখিবা অদু মরুওই হায়খি। লৈবাক ১৯ প্লস ই য়ু অমসুং অফ্রিকান য়ুনিয়ননা শাবা অচৌবা ইকোনোমি ২০গী গ্রুপ অদুগী প্রসিদেন্সি অদু চহি অসিগী ওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পায়রি।

# সেঙ্কসন্স ৩০,০০০গী ৱাফম পল্লদুনা, ব্রিক্সতা পুটিননা ৱেষ্টকী ‘অগ্লি’ ট্রেদ টেক্টিক্স চৈদুনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সি): মালেমগী মনুংদা লৈরিবা অতৈ লৈবাক পুন্নমক্কী মথক্তা থম্বা অপুনবা অথিংবশিংদগী শরুক ২ হেন্না রসিয়াদা সেঙ্কসন ৩০,০০০ হেন্না থল্লকখি হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা গ্লোবেল ইকোনোমিক্কী নম্ফুগী পোলিসি অমসুং ‘অগ্লি’ কম্পিটিটিব টেক্টিক্স কন্দেম তৌখ্রে।

ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা ব্রিক্স ব্যুজিনেস ফোরমগী লিদরস সেসনদা ৱা ঙাংবদা পুটিননা নোংচুপকী লৈবাকশিংবু ট্রেদ অমদি দিপ্লোমেটিক্কী প্রেসরবু ষ্টেট-লেবেল ইন্টরফিয়ারসেতা ওন্থোকপগীদমক চৈখি। রসিয়াগী মথক্তা থল্লক্লিবা সেঙ্কসন ৩০,০০০ হেনবা অসি মালেমগী অতৈ লৈবাক পুন্নমক্কী মথক্তা থম্বা অপুনবা সেঙ্কসনশিংগী মশিং অদুগী শরুক অনি হেল্লে হায়না প্রসিদেন্ট পুটিননা হায়খি।

য়ু এসকী মায়োক্তা নাকচেপ ওইনা চত্থবা এটেক অমদা পুটিননা ট্রেদ কনফ্লীকশিংবু খ্বাইদগী শাথিবা জিওপোলিটিকেলগী অপনবশিং থোকহনবগী চাংদা হেনগৎলকখ্রে, ত্রান্সপোর্ট কোরিদরশিং থিংজিল্লে, পাইপলাইনশিং থুগাইরে, অতৈ লৈবাকশিংদসু পান্দম থমদুনা সেকেন্দরি সেঙ্কসন্স হায়বা অমনা কিহল্লে হায়খি।

করিগুম্বদা কম্পিটিসনদা ‘অগ্লি’ ফোর্ম খরা লৌরকখ্রে। মসি ষ্টেট লেবেলদা, গভর্ণমেন্ট লেবেলদা ফাওবা ঐখোয়না উরি হায়না পুটিননা হায়খি।

করিগুম্বদা মদুগী খোঙথাংশিং অদু ফিজিকেল নেচরদা চৎখে। মদু পাইপলাইনশিং থুগাইবদা, মেরিটাইম ভেসেলশিং সিজ তৌনবা ইন্টরনেসনেল ট্রান্সপোর্ট কোরিদরশিং থিংজিন্নবা হোৎনবদা, অতোপ্পা কনাগুম্বগী ইন্টরেষ্ট ইনবা পামদবা অমসুং মদুগী মহুৎতা মখোয় মশাগী থবক তৌজবশিংগী মথক্তা সেকেন্দরি সেঙ্কসন্স হায়বা অমগী অকিবা পীরি হায়না পুটিননা হায়খি।

অসিগুম্বা খোঙথাং ময়াম অসি ফন্না তৌজ দুনসু মোস্কোনা থাজনিঙাই ওইবা পার্টনরশিংগা মরী পাকথোক চাওথোকহন্দুনা লৈবাক্কী ট্রেদ ষ্ট্রেটেজি মায় পাক্লা চথরি হায়না রসিয়াগী প্রসিদেন্ট অদুনা হায়খি।

খুদোঙথিবা ফিভম অসিগী মায়োক্তা রসিয়ানা ইচং থৌনা থবক তৌরকখি অমসুং অচৌবা মায় পাকপা ফংনবা হোৎনরকখি। ঐখোয়না ঐখোয়গী নেসনেল সোভরেন্টি হেন্না চেৎশিনহনখ্রে। ঐখোয়না থাজনিঙাই ওইবা পার্টরশিংগা মরীশিং লৈনরকখ্রে হায়না মহাক্না হায়খি।

ইকোনোমিক পার্ফোমেন্সপু রেসিলিয়েন্সকী খুদম ওইনা খুদোম্বী থিল্লদুনা হৌখিবা চহী ৩দা রসিয়াগী ইকোনোমিক গ্রোথ মালেমগী চাংচৎতগী হেল্লে হায়খি।

# চহী কয়াগী মমাঙদগী ব্রিক্স মেম্বরসিপকীদমক পাকিস্টাননা চে থারকখ্রে, অদুবু হৌজিক ফাওবা মেম্বর ওইবা ঙমদনা লৈরি



ইস্লামাবাদ, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সি): ব্রাজিল, রসিয়া, চাইনা, ইন্দিয়া অমসুং সাউথ আফ্রিকাগী ইমর্জিং ইকোনোমিশিংগী কোলিসন অমা ওইরিবা ব্রিক্সতা মেম্বরসিপ অমা ওইনা য়াওনবা পাকিস্টাননা চে থারকখ্রে।

ব্লোক অদুনা হৌখিবা চহীদা অনৌবা মেম্বর ওইনা ইজিপ্ট, ইথিওপিয়া, ইরান অমসুং য়ুনাইটেদ অরব ইমিরেটস য়াখ্রবা অমসুং ব্রিক্স প্লস ওইখ্রবা ফাওবদা ব্লোক অদুগী মনুংদা ন্যু দিল্লিগী ভেটো পৱারদা ইস্লামাবাদপু ব্রিক্সকী মপান্দা থমখি।

ব্রিক্সতা মেম্বর ওইনা য়াওনবা চে থারকখিবা লৈবাক ২৯গী মনুংদা পাকিস্টানসু য়াওরি অমসুং মখোয়না ব্লোক অদুদা য়াওনবা হোৎনরিবা অসি মখোয়না মায়োক্লরিবা ইকোনোমিক্কী শীংনবশিং অদুগী মরমদগীনি।

পাকিস্টান ইকোনোমিক সর্ভেগী মতুং ইন্না লৈবাক অদুগী জি দি পি গ্রোথ রেট চাদা ৩.৭০দা লৈ। নিক্কৈ এসিয়াগী রিপোর্ট অমনা হায়, ৱার্ল্ড বেঙ্ক অমসুং ইন্টরনেসনেল মোনিটরি ফন্দদা তাঙজবা হন্থহন্নবা অমসুং পাকিস্টানগী ফাইনান্সিং দাইভর্সিফাই তৌনবা ব্রিক্সনা ঙাক্লৌ পীবা ন্যু দিভলপমেন্ট বেঙ্কতা পাকিস্টাননা দোল্লর বিল্লিয়ন ৫৮০গী ষ্টেক অমা লৈখ্রে। গ্রুপ অসিনা গ্লোবেল সাউঠ মহুৎ শিনবা মরুওইবা গ্রুপ অমা ওইবগী রিকগনিসন হেনগৎলকখিবগা ইস্লামাবাদকী এপ্লিকেসন অদু থারকখিবগা মপা চান্নরি।

পাকথোক চাওথোক্লবা ব্লোক অসি মালেমগী পোপুলেসনগী চাদা ৪৯ লোম অমসুং পর্চেজিং পৱার পেরিটি বেসিস অমদা গ্লোবেল জি দি পিগী চাদা ৪০ রোম ওইরে।

ব্রিক্স লৈবাকশিংদা ইন্দিয়া মশাগী ট্রেদসু শাথিনা ৱাংখৎখ্রে। লৈবাক অসিনা গ্রুপিং অদুদা তৌবা এক্সপোর্টস য়ু এস দি বিল্লিয়ন ৬৪.৩দগী য়ু এস দি বিল্লিয়ন ৯৫.৭দা চাদা ৪৮.৮ য়ৌনা ৱাংখৎখ্রে। নবেম্বর ২০২৩দা ফোরেন ওফিস ৱাঙাংলোই অমনা প্রেসকা উন্নবা অমদা পাকিস্টাননা ব্রিক্স মেম্বর অয়াম্বগা অফবা মরী লৈতে পল্লদুনা মাঙজিনথাবা গ্লোবেল সাউথ ব্লোকতা য়াওনবা হোৎনরি হায়খি।

# এন্থ্রোপিক হুইশলব্লোয়রনা এ আইনা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিংদগী হেন্না চাউবা অকিবা ওইরিবগী মরম করিনো শন্দোক্লা তাক্লি



ৱাসিংটন, ১২ (এজেন্সি): এখোয় মীওইবদা ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইশিংনা পীরিবা খুদোংথিন্নিঙাই ওইরিবা অদুদগী আর্টিফিসিয়েল সুপরইন্টিল্লিজেন্সনা তশেংনা হেন্না চাউবা অকিবা পীব্রা? মসিগী পাউখুমদা, এ আইনা মীওইবা পুম্বা হাৎপা ঙমখিগনি হায়না হন্দক ৱার্নিং কয়া হন্না হন্না মথং মথং পীখিবা হান্নগী এন্থ্রোপিক রিষার্চর জেকোব কোক্সনদা করিগুম্বা নখোয়না হংবা তারবদি ‘হোয়’ হায়বসিনি।

এন্থ্রোপিক অমসুং ওপন এ আইদা রিষার্চ তৌদুনা চহি ৩ লৈরকখ্রবা রিষার্চর অসিনা হ্যুমেনিটিনা হৌজি কফাওবদা শেল্লকখিবা খ্বায়দগী হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওইবা টেক্নোলোজি অদু এ আইনা ওইরম্বা য়াই হায়খি।

মসি মরুওইনা সাইন্স ফিক্সনদগী লাকখিবনি। ইন্টরনেসনেলগী ওইবা কোওপরেসন নত্তনা ঐখোয়না অতৈ অতোপ্পা অমা খন্ননিঙাই লৈতে হায়না ঐনা খল্লি, মরমদি হ্যুমেন এক্টিভিটি অমতনা হৌখিবা মতমদা তৌখিদ্রিবা মওং অমদা খুৎলাই লমজেন তান্নবনা মাঙতাক্লিংঙাই ওইগনি হায়বা মহাক্লা হায়খি।

কোক্সননা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা সোসিএল মেদিয়াগী খুথাংদা হায়খি, খ্বায়দগী চাউবা এ আই কম্পেনি অনিনা সেফটিগী মতাংদা খনবদগীদি খ্বায়দগী এদভান্স ওইবা এ আই মোদেলশিং শাবদা অমনা অমবু মায়থিবা পীনবা হোৎনবদনা হেন্না ৱাখল থাদরি।

কম্পেনি অনি অদু অমতা দয়ত্ব মশকখঙনা থবক তৌদে। মখোয়না সেলফ-ইম্প্রুভিং সুপরইন্টিল্লিজেন্সতা চপয়ুংনা লমজেন তান্নরি অমসুং ঐখোয়গী পুন্সিশিংবু গেম্লিং শান্নরি হায়না মশাগী চহি ২৭শুরবা অসিনা হায়রি।

চহি দিকেদ অসি লোইরকপফাওবগী মনুংদা ঐখোয় পুন্নমকপু এ আইনা হাৎপা ঙমখিবা য়াই হায়না এ আই থৱায় য়াওনা শাগৎলিবা মীওইশিংনা থাজে হায়না মহাক্লা হায়খি।

সুপরইন্টিল্লিজেন্স হায়রিবসি ঐখোয় মীওইবগী ইন্টিল্লিজেন্সতগী এ আইগী কেপাবিলিটিজনা হেল্লকখিবা থিওরেটিকেল পোইন্ট অদুনি।

এন্থ্রোপিক সেফটি একজিক্যুটিব ইভান হ্যুবিনগরনা কোক্সনবু শৌগৎখি। মীওইবা পুন্নমকপু এ আইনা হাৎপা ঙমখিগনি হায়রসি তশেংনমক ঐখোয়না থাজে। মথং দিকেদ ফাওবগী মনুংদা খুদোংথিনিংঙাই ওইবদূ চাদা ১০দগী হেল্লি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

হ্যুবিনগরনা হায়খি, এন্থ্রোপিকনা মাগী খ্বায়দগী অঙন্বা থাক্তা হোৎনরি, অদুবু হ্যুমেন কেপাবিলিটিশিংদগী হেন্না তৌবা ঙমখ্রবা এ আই সিষ্টেম অমবু মাগী ক্রিএটরগী য়াথং ইনহন্নবা থৌরাং অমা হৌজিকফাওবা লৈত্রি। হৌজিক হৌজিক্কী মোদেলশিংনদি মদু থোকহনবা য়াবগী খুদোংথিবদু নেল্লবা লৈরি হায়না মহাক্লা হায়খি।

গভর্ণমেন্ট ইন্টরভেন্সন নৎত্রগা কোওর্দিনেটেদ স্লোদাউন অমা য়াওদনদি কম্লেনি অমত্রা মীওইবগী কেপাবিলিটিশিংদগী হেন্দাকখ্রবা এ আই অমা দায়ত্ব খঙনা দিভলপ তৌগনি হায়বা মহাক থাজদে হায়খি।

খুদোংথিনিংঙাইশিংদু এন্থ্রোপিক্লা শেংনা খঙই অদুবু মখোয় হানবা তান্নবগী লমজেন অমদা কন্না মুক্কদুনা লৈরি। কনামতনা দায়ত্ব মশক খঙবা থবক তৌগনি হায়বসি মখোয়না থাজদে, মরম অদুনা খুদোংথিনিংঙাই লৈরিবদু খঙলবসু মদু মখোয় মশামক শোয়দনমক অদুম তৌবা তারি হায়না মহাক্লা হায়খি।

ফেব্রুৱারিদা, করিগুম্বা মখোয়গী মোদেলশিংদু মখোয়গী খুদোংথিনিঙাই ওইবশিং কন্ট্রোল ঙমদবা তারবদি মদুগুম্বা মোদেলশিং পুথোকপা তোক্লবগী এন্থ্রোপিকী সেফটি চার্টরদা অমা ৱাশক লৌথোকখ্রে। মখোয়না পীরিবা ৱায়েৎতি- করিগুম্বা মখোয় খক্তনা মখোয়গী থবক লেপ্পুনা লৈবা তারবদি মখোয়গী হেন্না চেকশিন্দবা লাম্বাশিংদুনা ইন্দষ্ট্রি অসি ঙন্না পায়ানি দুনা পুন্নমক্কী ওইনা শাফবা ৱাৎহল্লগনি হায়বসিনি।

জুলাইগী অরোয়বদা, এন্থ্রোপিককী সি ই ও দারিও অমোদৈ য়াওনা টেক ইন্দষ্ট্রি ইমপ্লোয়ী ১০০০ হেনবনা খ্বায়দগী এদভান্স ওইবা এ আই সিষ্টেমদা দিভলপমেন্টতা কোওর্দিনেটেদ স্লোদাউন অমা শৌগৎনবা ৱাসিংটনদা অপিল তৌখি।

ওপন এ আইনা হেন্না কনবা কন্ট্রোল মখাদা মখোয়গী খ্বায়দগী নৌবা মোদেলশিংগী ট্রেনিং অদু অমুকচথবা হৌদ্রিঙে মমাঙদা ওগষ্টতা ট্রেনিং অদু চয়োল অনি লেপহনখি। মমাঙগী নোংমাইজিং নুমিৎতা ওপন এ আই চিফ সাইন্টিষ্ট জেকুব পাচোক্কিনা এক্সষ্ট্রিম কোসনগী ৱানিং তৌখি।

মালেমগী অকোয়বদা লৈরিবা গভর্ণমেন্টশিংগীদমক তুংদা ওইরক্কদৌরিবা এ আই দিভলপমেন্টগী মতাংদা ইন্টরনেসনেল কোওদিনেসননা খ্বায়দগী মরুওইবদু ওইহনবা মথৌ তারে হায়না ব্লোগ পোষ্ট অমদা মহাক্লা হায়খি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা এ আই মোদেলশিং ফেদরেল লোনা রিগুলেট তৌদে।

# জর্মন দিজাইনরনা এ আইবু ৱাখল ঙাওহন্দুনা নহাকপু খঙহন্দবা দোল্লার ৭৭কী ফুরিৎ পুথোকখ্র



বার্লিন, সেপ্টেম্বর ১২ (এজেন্সি): ভিদিও সর্ভেলেন্সতা শীজিন্নবা আর্টিফিসিএল ইন্টিল্লিজেন্স (এ আই) সিষ্টেমসপু ৱাখল ঙাওহন্দুনা চমন্নহনবা ঙন্নবগী পান্দমদা দিজাইনর অমনা মচুনা থল্লবা ফজরবা ফুরিৎ অমা পুথোকখ্রে।

দিজিটেল কেমোফ্লেজ কৌবা ফুরিৎ অদু জর্মন আর্টিষ্ট অমসুং দিজাইনর সাইমন ৱেক্কার্টনা পুথোকপনি। এ আই -পাৱারদ কেমেরাশিং অমসুং ওবজেক্ট-দিটেক্সন সিষ্টেমস চমন্নহন্নবা ফুরিৎ অদুনা অরঙবা মচুশিং অমসুং মহৌশা-নত্তবা পেট্টর্নশিং শীজিন্নে।

বার্লিনদা লৈবা কোট্রবসের টোরদা এ আই-পাৱারদ সর্ভেলেন্স কেমেরাশিং শীজিন্নদুনা পাইলোট প্রোজেক্ট অমগী পাউখুমদা ৱেক্কার্টনা ফুরিৎ অদু শেমখিবনি। সিষ্টেম অদু মী মোনিটর তৌনবা অমসুং পব্লিক প্লেসশিংদা মখোয়গী লিচৎ-মওং মতৌ এনালাইজ তৌনবগী দিজাইননি।

ৱেক্কার্টনা হায়, দিজিটেল কেমোফ্লেজ অদু পুলিসনা খঙবা ঙমহন্দনবা নৎত্রগা কনানো হায়বা মপুংফানা খঙহন্দনবগী টুল ওইনবগী অনিংবা লৈতে, মদুগী মহুৎতা মসি মীবু ওটোমেটিকেল্লি শোয়দনমক মোনিটর তৌফম থোকপ্রা অমসুং পব্লিক স্পেসশিং শীজিন্নবদা মেচিনশিংনা এনালাইজ তৌফম থোকপ্রা হায়বা ৱাহং হংনবগী লম্বী অমা ওইনা মসি মহাক্লা উই।

মীওইবগী হকচাং অমগী আউটলাইন ওইবা মশক অদু দিটেক্ট তৌনবা কমপ্যুটর-ভিজন সিষ্টেমসকীদমক লুহনগদবা মথং-মথং লোনশিন্নবা পেট্টর্নশিং অমসুং অরঙবা মচুশিং ফুরিৎ অদুদা শীজিন্নে।

মেছিন অমগীদমক্তি, মীওই অমা হায়বসি ভিজুৱেল ষ্টেটিষ্টিক্সকী মপুন অমনি- অমসুং মদু চপচানা মাগী অশোনবনি হায়না ৱেক্কার্টনা হায়খি।

দিজাইনর অসিনা এ আই মশামক শীজিন্নদুনা পেট্টর্ন অদু পুথোকখিবনি। মহাক্লা এ আই দিটেক্সন সিষ্টেম অমদা হন্ন-হন্না উৎপা তোঙান-তোঙানবা দিজাইনশিং ‘এদভরসরিএল লুপ’ অমা শীজিন্নখি। মদুগী মতুং সিষ্টেম অদুনা মতৌ করম্না থাজনা মী অমা দিটেক্ট তৌবগে হায়বদা য়ুমফম ওইরগা দিজাইন অদু হোংদোকই।

ওপন-ছোর্চ, রিএল টাইম এ আই ওবজেক্ট-দিটেক্সন সিষ্টেম অমা ওইরিবা YOLO শীজিন্নদুনা টেষ্টিং অদু পাঙথোকখি। ৱেক্কার্টকী মতুং ইন্না, মদুগী টেষ্টশিং অদুদা দিটেক্টর অদুনা ফুরিৎ লিংলিবা অদু মী অমা ওইনা রেজিষ্টার তৌবা লেপখি।

অদুমওইনমক, সর্ভেলেন্স সিষ্টেম খুদিংমক্তা মী অমা উবা ঙমহন্দনা লৈগনি হায়বদি ফুরিৎ অসিনা গেরেন্টী পীবা ঙমদে।

বার্লিনগী কোট্রবুসের টোর সিষ্টেম অসি ভিদিও রেকোর্ড তৌনবখক্তা নত্তনা চিংননিংঙাইনি খনবা লীচৎ শাজৎ এনালাইজ তৌনবা অমসুং থবকশিং মশক খঙদোক্লবা দিজাইন তৌবনি।

মসিগী ফুরিৎ অসি ২০২৫দগী হৌখিবা হৌজিক চথরিবা প্রোজেক্ট অমগী শরুক্কি, মচু কয়ানা থল্লবা ফুরিৎ অদুগী মমল দোল্লর ৭৭ তগী দোল্লর ১০০ রোম ফাওবনি।

## ক্রোসৱার্দ ১১৪২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| E | R | A | S | | R | A | B | B | I | | S | C | A | N |
| R | E | D | O | | A | L | I | A | S | | O | H | I | O |
| I | R | O | N | | C | O | N | T | R | A | B | A | N | D |
| C | A | L | | E | Y | E | S | | A | L | E | R | T | S |
| S | N | E | A | K | | | | L | E | E | R | | | |
| | | S | H | E | A | | T | A | L | C | | M | O | P |
| N | E | C | E | S | S | A | R | Y | | | G | A | L | A |
| A | R | E | A | | K | N | E | E | L | | A | N | E | W |
| B | I | N | D | | | V | A | R | I | A | T | I | O | N |
| S | E | T | | P | A | I | D | | P | L | O | P | | |
| | | | D | U | L | L | | | | P | R | U | N | E |
| A | R | T | I | S | T | | I | R | A | S | | L | A | B |
| H | A | R | D | H | E | A | D | E | D | | E | A | S | E |
| E | V | E | N | | R | I | L | E | D | | S | T | A | R |
| M | E | E | T | | S | L | E | D | S | | P | E | L | T |


## Name Change

I, Okram Premabati Devi of Thoubal Kshetri Leikai, Thoubal, Manipur-795138 have changed my name to Waikhom Ongbi Premapati Devi. It is declared in Affidavit dated 12.09.2026 before the Oath Commissioner, Thoubal, Manipur.

Sd/-
Waikhom Ongbi Premapati Devi
Thoubal Kshetri Leikai

SL/B-Jeena/13


**পেজ ৬কি অয়েকপা লাই অনিদুগী খেন্নবা**

**১) অঙাং, ২) পিঙ্গিন, ৩) অঙাংগী মখূৎ, ৪) তুপী, ৫) শমু মনাতোন, ৬) নোংশাগী মায়থোং**

**ꯄꯦꯖ ꯶ꯀꯤ ꯑꯌꯦꯛꯄ ꯂꯥꯏ ꯑꯅꯤꯗꯨꯒꯤ ꯈꯦꯟꯅꯕ**

**꯱) ꯑꯉꯥꯡ, ꯲) ꯄꯤꯉ꯭ꯒꯤꯟ, ꯳) ꯑꯉꯥꯡꯒꯤ ꯃꯈꯨꯠ, ꯴) ꯇꯨꯄꯤ, ꯵) ꯁꯃꯨ ꯃꯅꯥꯇꯣꯟ, ꯶) ꯅꯣꯡꯁꯥꯒꯤ ꯃꯥꯌꯊꯣꯡ**

## মণিপুরী পাউখোঙগী পাউখুম

(ঙসিগী পাখোংগী পাউখুম)

৯৯৩- ইংখোল মতোন্দা ৱাতোন হাইথরকপা।
৯৯৪- আইস ক্রিম।
৯৯৫- থাংজিং মনা।
৯৯৬- হঙোই।
৯৯৭- য়েনশিন (মহৈ পোখাইবা)







ꯁꯅꯥꯂꯩꯕꯥꯛ সনালৈবাক
Imphal, Sunday, September 13, 2026

# য়ু এস ওপন ২০২৬ঃ বেন সেলটননা ফ্রান্সেস তাইফো মায়থিবা পীখ্রে, ফাইনেল মেটচতা এলেক্সেন্দরগা থেংনরগনি



ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (এস এন এস)ঃ

য়ু এস ওপন ২০২৬কী মেন্স সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ু এসকী বেন সেলটননা ফ্রান্সেস তাইফোবু মায়থিবা পীদুনা য়ু এস টাইটলগীদমক অলেক্সেন্দর ভেরেফকা ফাইনেল মেটচতা লাম্বা তৌরগনি।

হৌখিবা ইরাই নুমিত্তা আর্থর এস ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদু ফ্রান্সেস তাইফোগী খূত্তা অহানবা সেট ৪–৬তা মায়থিরবা মতুং বেন সেলটননা থংনবা সেট অহুম্মক্তা ৬–৩, ৬–৩, ৭–৫তা মায় পাক্তুনা য়ু এস ফাইনেলদা চঙবা ঙমখিবনি।

মশাগী চহী ২৩দা ঙায়রিবা বেন সেলটননা জর্মনিগী অলেক্সেন্দর ভেরেফকা ফাইনেল শান্নদুনা মহাক্কী অহানবা গ্রান্দ স্লাম টাইটল লৌনবা হোৎনগদৌরি।

হৌখিবা চহী ২০০৩দা এনদি রোদিকনা য়ু এস ওপনগী টাইটল লৌখ্রবা মতুং ঙসি ফাওবা য়ু এসকী শান্নরোই অমত্তনা য়ু এস টাইটল লৌবা ঙমদনা লাকখিবা অদু য়ু এস ওপন ২০২৫কী দিফেন্দিং চেম্পিয়ন কার্লোস অলকারেসপু ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা মায়থিবা পীরবা মতুং য়ু এসকী ফ্রান্সেস তাইফোবু সেমি ফাইনেল মেটচতা মায়থিবা পীদুনা য়ু এস টাইটল লৌনবা য়ু এসকী শান্নরোই বেন সেলটননা অকনবা মওংদা জর্ম্মনিগী অলেক্সেন্দর বেরেফকা অকনবা মওংদা লাম্বা পারবা য়াই হায়না পানরি।

নাকল অমরোমদা, য়ু এস ৱুমেন এলেনা ফাইনেল চঙখ্রবা ৱাল্ড নম্বর টু এলেনা রাইবাকিনা ৱাল্ড নম্বর ৱান অরিনা সবালেনকাবু মায়থিবা পীদুনা য়ু এস ওপন টাইটল লৌনবা শেম শাবা লোয়খ্রে।

য়ু এস টাইটল অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা সবালেনকাবু মায়থিবা পীবা হায়বসি অরায়বা অমদি নত্তে। অদুবু লাক্কদৌরিবা ফাইনেল মেটচ অসিদা করম্বা টেক্টিস শান্নদুনা মেটচ অসিবু মায় পাক্কদগে হায়বগী কাঙলোন পূম্বা য়াখোকপা লোয়রে হায়না রাইবাকিনা ফোঙদোরক্লি।

ৱুমেন সিঙ্গল ফাইনেল মেটচ শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা রাইবাকিনা পীবা অখন্নবা ইন্টরভিয়ু অমদা হায়, য়ু এস ওপন ২০২৫কী অহানবা রাউন্দদগী হৌদুনা অকনবা মওংদা শান্নখি। হায়রিবা স্পিরিট অদুগা চপ মান্নবা মওংদা শান্নদুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা মহাক্কী মায়কৈদগী খ্বায়দগী ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা য়ু এস টাইটল লৌগনি হায়বগী চপ চাবা মহাক্কী মফমদা থাজবা লৈ।

য়ু এস ফাইনেল মেটচতা মহাক্কা লাম্বা পাগদৌরিবা য়ু এস টাইটল অনীরক লৌখ্রবা সবালেনকাগা হৌখিবা মতমদা কয়ারক হন্না শান্নখ্রে। ফাইনেল মেটচ অদুগী অঙনবা মতমদগী হৌদুনা এগ্রেসিভ ওইনা শান্নগনি। পোইন্ট ফংনবা খক্তা য়ুম্ফম ওইদুনা শান্নবা তৌরোই। ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌদুনা মেটচ অদুগী রেল্লি খূদিংমক্তা পোইন্ট হেন্না ফংদুনা মকোক থোংনা শান্ননবা হোৎনগনি।

লাক্কদৌরিবা থা অসিগী ১৩ নোংমাইজিং নুমিত্তা অর্থর অসে ষ্টেদিয়মদা এলেনা রাইবাকিনা অমদি অরিনা সবালেনকাগী মরক্তা য়ু এস টাইটলগীদমক লাম্বা পারগনি। এলেনা রাইবাকিনা অমদি অরিনা সাবালেনকাগী মরক্তা লাক্কদৌরিবা নোংমাইজিং নুমিত্তা শান্নগদৌরিবা য়ু এস ফাইনেল মেটচ অসিনা মখোয় অনীগী মরক্তা লাম্বা তৌদুনা ১৮শুবা মেটচ ওইগদৌরি।

অসিদা নত্তনা হৌখিবা চহী ১৩গী মতুং টেনিস ৱুমেন ৱান রেঙ্কিং দা খ্বায়দগী মকোক থোংবা শান্নরোই অনীগী মরক্তা শান্নবা মেটচ অমসু ওইগদৌরি। হায়রিবা মেটচ অসি জিও হোটষ্টার অমদি ষ্টার স্পোর্টসতা লাইভ টেলিকাষ্ট তৌগনি হায়রি।

এলেনা রাইবাকিগী ওইনা য়ু এস ওপন ২০২৬তা ফাইনেল মেটচতা চঙখিবা অসি অরায়বা খোঙথাং অমদি ওইদ্রি। মশাগী চহী ২৭ শুরবী টোপ সিদেদ প্লেয়র অসি মহাক্কী মখোঙদা অশোকপা লৈবনা মরম ওইরগা ন্যুয়োর্কতা পাঙথোক্লিবা য়ু এস ওপন ২০২৬ অসিদা মায়োক্নবা শান্নরোইশিংগা মায় পাক্না শান্নবা ঙমগদ্রা হায়বগী চিংনবা ৱাখল্লোনদা এলেনা রাইবাকিনা য়ু এস ওপন ২০২৬ অসিদা শরুক য়ারকখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এলেনা রাইবাকিনা মখা তারদুনা হায়, টুর্নামেন্ট অসিগী অহৌবা মতমদগী হৌদুনা মহাক্কী মখোঙদা লৈরিবা অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা চপ চাবা পার্ফোমেন্স পীবা ঙমগদ্রা হায়বগী ৱাখল্লোনদা শরুক য়ারকখিবা য়ু এস ওপন অসিগী তোঙান তোঙানবা রাউন্দদা মায় পাক্না শান্নবা ঙমখিবা অদুনা ঙসিদি মহাক্কী ৱাখল্লোনদা তারম্বা অৱাবা মমি অদু হোং দোকপা ঙম্লে। রাউন্দ খূদিংগী মতৌ করম্না মহাক্কী পার্ফোমেন্স ইম্প্রুভ তৌগদগে হায়বগী ৱাখল্লোনদা শান্নদুনা য়ু এস ওপন ২০২৬ ফাইনেল মেটচ চঙবা ঙম্লকখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

# এসিয়ান গেমস শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং য়াইফ মঙ্গোল পীবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (এস এন এস)ঃ

জপান্না য়ুম্মু ওইদুনা থা অসিগী ১৯দগী ঐসি–নগোয়াদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস ২০২৬তা ইন্দিয়াগী রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়ারুগদবা সাই নেসনেল সেন্টর ওফ এক্সিলেন্স, তাকয়েল অমসুং সাই–এস টি সি খুমন লম্পাক্কী শান্নরোইশিং য়াইফ মঙ্গোল পীবগী 'সি ওফ' থৌরম সাই নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টরগী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা মণিপুরদগী শরুক য়ারুগদবা শান্নরোইশিংগী মনুংদা ৱুসু মশান্নগী ওইনা হঞ্জবম লাংলেনতোম্বী, ময়াংলম্বম সুরজ, নেমন ৱাংসু অমদি হৌখিবা এসিয়ান গেমস অনিদা মেদল লৌদুনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ পীরকখ্রবী নাওরেম রোসিবিনানি।

ফেন্সিং মশান্নদা ৱাইখোম সোনিয়া, লোয়ননা সেপাক তাক্রৌ মশান্নদনা ময়েংবম অশোক অমদি য়ুম্নাম মালেমঙানবী য়াওরি।

সাই নোর্থ ইষ্ট রিজনেল সেন্টরগী কনফরেন্সতা পাঙথোকখিবা য়াইফ মঙ্গোল পীবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা সাই– এন ই আর সি ইম্ফালগী রিজনেল দাইরেক্তর সি ধন্দাপানিনা শান্নরোইশিংদা গেম অসিদা অঙম্বা থাক্তা ফজবা পার্ফোমেন্স পীদুনা ইরমদম মণিপুরগী অমদি ইন্দিয়াগী মিংচৎ পুরক্লবগীদমক য়াইফ মঙ্গোল পীখি।

সাই এন ই আর সি ইম্ফালগী রিজনেল দাইরেক্তর সি ধন্দাপানি মহাক মশামকসু এসিয়ান গেমস অসিদা হকথেংননা চত্তুনা এসিয়ান গেমসতা শরুক য়ারিবা শান্নরোইশিংগী অৱাৎ অপা য়েংশিনগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়, শান্নরোইশিংনসু গেম অসিগী মাঙওইননা পাঙথোকখিবা নেসনেল কেম্পশিংদা সাই এন ই আর সিনা পীখিবা মতেংশিং অদুবু নীংশিংদুনা শান্নরোইশিংনা অৱাংবা থাক্তা হোৎনরক্কনি হায়বগী থাজবা চাউনা লৈ হায়নসু ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ১৯দগী হৌদুনা ওক্তোবর ৪ ফাওবা জপানগী ঐসি নগোয়াদা নুমিৎ ১৬নি চুপ্না চথরগনি। হায়রিবা গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মশীং য়াম্লবা শান্নরোই কয়ানা তোঙান তোঙানবা দিসিপ্লিন কয়াদা শান্নদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরক্লবা হোৎনগদৌরি।

নাকল অমরোমদা, হৌখিবা থা অসিগী ১০দগী হৌদুনা ২০শুবা এসিয়ান গেমসকী প্রিলিমিনরি স্পোর্টিং ইভেন্ট কয়া মাঙজৌননা পাঙথোকখিবসু লৈখ্রে।

# আর পি এফনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা মফমদা লমশাং লমজেল অমদি সাইক্লিং রেস পাঙথোকখ্রে




ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (এস এন এস)ঃ

আই জি মণিপুর এন্দ নাগালেন্দ সেক্টর সি আর পি এফ অমদি সৌরভ কুমার চৌধুরি, কম্মান্দেন্ট ৮৬ বট্টালিয়ন সি আর পি এফকী মীৎয়েং মখাদা ৮৬ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ পিনজাং, নোনে দিষ্ট্রিক্টনা কিলোমিটর ১০গী লমশাং লমজেল অমা পাঙথোকখ্রে।

লমশাং লমজেল অদুগী অহানবা পোজিসন্দা তিনখামলুং থাইমে, অনীশুবা পোজিসন্দা চুঙাংলুং থাইমে অমদি ৩শুবা পোজিসন্দা গাইলানঙম থাইমৈনা তাখি হায়রি।

এ /১৫৬ বট্টালিয়ন সি আর পি এফ লালপানিনা ঙসি জিরিবামগী চন্দ্রপুরদা মশাগী চহী ১৮ হেল্লবা নুপী ওইবীশিংগী কিলোমিটর ১০গী সাইক্লিং রেস পাঙথোকখ্রে।

চন্দ্রপুর পেট্রোল পম্পদগী লমথাদুনা লালপানি হায় স্কুলদা পন্থুং ফম ওইখিবা নুপীগী সাইক্লিং রেস অদু ঙসি অয়ুক পুং ৬.৪৫ চৎপা মতমদগী হৌখি। নুপী ৭৩না পার্টিসিপেন্ট তৌদুনা অথোই অহেন তান্নখি।

লালপানি হায়স্কুলদা পাঙথোকখিবা সাইকল রেস অদুদা মকোক মথং তারক্লবা নুপী সাইক্লিষ্টশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা লালপানি হায়স্কুলগী প্রিন্সিপাল এস ঐচ সুরজিৎ দত্ত, এস ঐচ কে হৌপু, সি ও–৩০ বট্টালিয়ন, এস ঐচ জমাল খান সোসিয়েল ৱার্কর লালপানি, এস ঐচ জিতেন্দ্র কুমার আই পি এস এস দি পি ও জিরিবাম অমদি এস ঐচ টিকেন্দ্র সিংহ এস ঐচ ও জিরিবামসু শরুক য়াখি।

কিলোমিটর ১০গী সাইক্লিং রেস অদুদা হিদম সুনিতা দেবীনা মকোক তাদুনা লুপা লীশিং ১০গী কেস এৱার্দ ফংখি। টি বিনোদিনী দেবীনা অনীশুবা তাদুনা লুপা লীশিং ৭ অমদি য়ুম্নাম গীতারানী চনুনা ৩শুবা তাদুনা লুপা লীশিং ৫গী কেস এৱার্দ ফংখি। অদুগা কন্সোলেসন প্রাইজ ওইনা মুতুম পুর্ণিমা দেবী, ফাঞ্জৌবম সমিতা দেবী, এল পি চনু, জহিরা খতুন অমদি কাংঙবম লাইসনা দেবীদা লুপা লীশিং ২/২ কেস এৱার্দ ফংখি।

নাকল অমরোমদা, ১১২ সি আর পি এফনা শীন্দুনা 'স্পান্দন–খেলো ইন্দিয়া'গী মখাদা তাফৌদা কিলোমিটর ১০গী মরাথোন পাঙথোকখ্রে।

# মণিপুরনা টিম চেম্পিয়নগী মনা লৌরক্লে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (এস এন এস)ঃ

নাগালেন্দদা পাঙথোক্লিবা ২শুবা মিষ্টর নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়া বোদি বিল্ডিং এন্দ ফিজিক চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৬ মণিপুরনা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিদা মেদল কয়া ফংদুনা টিম চেম্পিয়নগী মনা লৌরক্লে।

ওল মণিপুর বোদি বিল্ডর্স এসোসিয়েসন (এ এম বি বি এ) গী জেনরেল সেক্রেটরী ৱাই সুনন্তনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমদা নাগালেন্দদা পাঙথোকখিবা অথোই অহেন তান্নবগী চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিদা গোল্ড ৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ২ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইবা ঙম্লকখিবনি। চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা এস ধ্রুব সিংহনা মেনেজর, এস বীরমনি সিংহনা কোচ ওইদুনা মণিপুরবু রিপ্রজেন্ট তৌখি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

# ৱার্ল্ড টাইক্বান্দো চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবা শান্নরোইশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ১৬তগী ২০ ফাওবা রিপব্লিক ওফ কোরিয়াগী সনসিওনদা লৈবা সোঙম স্পোর্টস টাউন এয়র দোমদা পাঙথোক্কদৌরিবা সনসিওন ২০২৬ ৱার্ল্ড টাইক্বান্দো পুমসে চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ানবা লমদম অসিগী শান্নরোইশিং খনখ্রে।

খল্লবা শান্নরোইশিং অদুদি চহী ১৭কী মথক্তা লৈবা ফ্রি ষ্টাইল মিক্স টিমদা নোংদারেন খাবা, লিন্থোই পোৎশংবম, লৈশাংবম চিংথানঙাম্বী চনু, অয়েকপম অকাশ সিংহ, ৱাহেংবম লনখোম্বা মৈতৈ অমদি লৈতান্থেম দিপক সিংহ। চহী ৪০গী মখাগী পুমসেগী ওইনা লাইশ্রম দিক্ষু সিংহ অমসুং চহী ৫০গী মখাগী পুমসে মেল টিমদা লাইশ্রম দিক্ষু, পাওম্বম রিঙ্গো মৈতৈনা শরুক য়ারগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১২ (এস এন এস)ঃ

থা অসিগী ১০ দগী হৌদুনা ৱাবগাই ময়াই লৈকাইদা লৈবা ই ৱাই এম দি ও প্লেগ্রাউন্দদা পাঙথোক্লিবা ৭৩শুবা সেনিয়র মেন এন্দ ৱুমেন মণিপুর ষ্টেট কবাদ্দি চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এল ৱাই য়ু সি, সি সি ৱাই পি এ সি, ভি ই টি ও, এস এল ৱাই ও অমদি দল্লিউ এস দল্লিউ সি মায় পাকখ্রে।




SL/B(KK)/31 (one month)


# মহৈরোইশিংগী খুদোল




TITLE : TREE
**Mayengbam Thoungamba**
Class: 1
School : Universal Student Academy




TITLE : MADARA
**Ingudam Lamnganba**
Class: I
Roll No: 3
Sec : Tulip
School : R M School



TITLE : ANEMI BOY
**Ahenba Heikrujam**
Class: IV
Roll No: 24
School :Atom Special Acafemy





TITLE : KHAMBA & THOIBI
**Sophiya Elangbam**
Class: VII
Roll No: 1
School:Amutombi Divine Life English School






TITLE : FIGHTER
**Loijingba Yendrembam**
Class: VI
School :Tiny tot's Unigue School



TITLE : KAO PHABA
**Wangthoi Telem**
Class IV (B),
Roll no. 25
School : Unacco School, Meitram





TITLE : PARROT
**Name: Ingudam Lanthoiba**
Class: VI
Roll No: 2,
Sec: G-1
School : RM School






TITLE : WOMEN
**Name: Konthoujam Lanchenbi chanu**
Class: VI
School : Pitambra English School




TITLE : ZORO
**Princenanda Laishram**
Class: VI
Roll No: 5
School :Premier English Academy




TITLE : MOTHER AND DAUGHTER
**Tomthinnganbi Yengkhom**
Class III,
School : Unacco School, Meitram

Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur
e-mail sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
Owned and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt. Ltd. from Khwai Brahmapur, Nagamapal, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Kongpal Kongkham Leikai, Imphal East, Imphal-795005, Manipur